শান্ত খুমন

# ইতিহাসকী শুক্লবা কাচিন্দা ভানুবিল



CamScanner

# ইতিহাসকী শুক্লবা কাচিন্দা ভানুবিল
# ꯏꯇꯤꯍꯥꯁꯀꯤ ꯁꯨꯛꯂꯕꯥ ꯀꯥꯆꯤꯟꯗꯥ ꯚꯥꯅꯨꯕꯤꯜ

শান্ত খুমন
ꯁꯥꯟꯇ ꯈꯨꯃꯟ

বাংলাদেশ মনিপুরী সাহিত্য সংসদ, কমলগঞ্জ মশা ফুরুপ
আদমপুর বাজার, কমলগঞ্জ, মৌলভীবাজার, বাংলাদেশ।

Probit 6, 3. 2014

অফোঙবা
বাংলাদেশ মনিপুরী সাহিত্য সংসদ
কমলগঞ্জ মশা ফুরুপ
আদমপুর বাজার, কমলগঞ্জ, মৌলভীবাজার,বাংলাদেশ

অহান্বা ফোঙবা
৬ মার্চ ২০১৪

©
গুনাধন, গুনেন্দ্র, গৌতম

মখুম
অশোক কর্মকার

ময়েক পুনশিন্বা : হামোম প্রবিত

লাইরিক নম্ফম
এশিয়া প্রিন্টার্স, ১৯২ ফকিরাপুল
মতিঝিল, ঢাকা-১০০০

মমল : ১৬০

Itihaski Suklaba Kachinda Bhanubil by Shanta Khuman
Publish by Bangladesh Manipuri Shahitya Sangshad, Kamalgonj Branch
© Gunadhan, Gunendra and Goutom
Cover : Ashok Karmaker
Price : 160 Taka
ISBN : 978-984-33-6602-3

CamScanner

# অফোঙবগী ওয়ারোল

য়েনশমম শান্ত কুমার শল্লপ্পা শান্ত খুমন হায়না ইবিরিবা অমসুং মীয়াম্না খঙবিরিবা বাংলাদেশকী মনিপুরী সাহিত্যদা সাহিত্য হায়বদুবু করিনো মদুবু খুদোম্বী থিন্দুনা তাকপিরম্বা লময়াম্বা ঙম্বা অদুঙৈগী মীওই অমনি। মহাক বাংলাদেশ মনিপুরী সাহিত্য সংসদকী হৌদোকপিরম্বা ফাউন্ডার মেম্বার অমসুনি। মহাক্না পাখং মচা অমা ওইনা কলেজ তম্লিঙৈ মতমদা ওজা এ কে শেরাম, ওজা মাইবম তলেন অমসুং ওজা খোইরোম ইন্দ্রজিৎ মখোয়শিং পুল্লগা বাংলাদেশকী অহাম্বা ওইনা 'পূজারী সাহিত্য সংসদ' (মতুংদা বাংলাদেশ মনিপুরী সাহিত্য সংসদ মিংথোনখিবা) লিঙ্খৎখিবা সাহিত্যদা খোংদাখিবা কবি অমনি। সাহিত্যগী ইকায়খুম্ননিঙাই ওইরবা ফাউন্ডার অমনি।

অদুবু পাখং ওইরিঙৈদগী সাহিত্যবু সেবা তৌবিবা মীওই অমা ওইরগসু ইনিংবতা ইবা, ইনতা থমজবা, লাইরিক ওইনা পুথোকপগী মথৌ তায় খঙ-খঙনা খঙজন্নদবা, নত্রগা থৌ শাবিদবগুম তৌবনা লাইরিক অমফাও ফোঙবিদনা লৈরম্বদগী হন্দক্তি ঈশ্বরনা থৌজানবিরকপদগী ইহান-হান্বা ওইনা পাণ্ডুলিপী পিবিরক্তুনা 'ইতিহাসকী শুক্লবা কাচিন্দা ভানুবিল' কৌবা লাইরিক অসি পাবিরিবা মীয়ামদা পুথোকচবা ঙমজরে। মসিগীদমক্তা মপু ইবুঙোবু হৈরাং-লৈরাং য়াওনা খুরমজরি। থাগৎচরি।

লাইরিক অসিদা ওয়ারেং তরেৎ য়াওরি। মথাওয়াই চংনা য়াম্না কুপ্পা থিজল্লগা হিস্টরিক্যাল ওইনা ইবিরকপা লাইরিকনি। মহৌশানা মমালৈবাক, সানা লৈবাক ইমা মনিপুর নুংশিবগী, ইজাতি-ইনাৎ নুংশিবগী খুদম্নি। সনা লৈবাক ইমা মনিপুরদগী মীতৈশিংনা বাংলাদেশতা চেল্লক্তুনা হিংনবগীদমক্তা করম্না খুন্দারকখিবা অমসুং মতুংদা হৌজিকফাও মীতৈশিংনা ধর্ম-কর্ম লমচৎ কায়দনা মমালোন মনিপুরী লোন ঙাংনবগী ফিভম অমসুং লোন-ইনাৎ ঙাক্লবগী হোৎনরিবা থৌরাং-থৌরম কয়া য়াম্না কুপ্পা থিজল্লগা মহৌশা মীতৈবু কন্নবগী হোৎনবিদুনা ইবিরকপা লাইরিকনি।

লাইরিক অসিগী মনুংদা বানান অরাম্বা য়াওরম্বা য়াই। ঙাকপিগনী থাজে।

লাইরিক অসি পাহৌদ্রগদি অরাম্বা ওইফম থোকই হায়নিংঙি।

**সনাতন হামোম**
সেক্রেটারী জেনারেল
বাংলাদেশ মনিপুরী সাহিত্য সংসদ
কমলগঞ্জ মশা ফুরুপ

CamScanner

# ওয়াহৈ খরদং

য়াম্না হৈরে খংঙে হায়না ইজবা ওয়ারেংশিং নত্তে, ইজাতিবু নুংশিবা অমদি করম্বা মতমদা বাংলাদেশতা মনিপুরীশিং খুন্দা-লৈতাদুনা লৈরিবা ঐখোয়সে করম্না স্না-লৈপাক মনিপুরদগী করম্বা মতমদা লাকখিবনো। লাক্লবা মতুং করম্না পুন্সি হিংবা তাখি। অসিগুম্বা ময়ামসি খংজনিংবদগী খরা থিজিন-খোমজিন্দুনা ইজবনি। মদুদা শিংথানিঙায় ওইবদি, ভানুবিলগী লৌমিশিংগা পৃথিমপাশাগী জমিদার আলী আমজদকা লান্থেংনবগী মতাংদনি। লৈখিদ্রবা ইপু খোইরোম আমুজাউনা তোয়না তোয়না ওয়ারী লিবিরম্মি, জমিদারগা লান্থেংনবগী ওয়ারী। নায়েব রাসবিহারী দাসবু চিংদোং অশাংবিদা শামুথক্তগী চিংথদুনা মথুন্দা হুইদেম্না লেংনা হাৎপগী ওয়ারী, অশিগুম্বা তুজুং পোকপা ওয়ারীশিং তারুবদা পুক্নিংদা নুঙাইবা ইহৌ অমা পোকখি। হান্নগী অহল-লম্মনশিং ইচম-চম্না লৈরমদে হায়বা মীরমদা লৈজরবসু। অদুদগী দ্বীপানিতা অহান্বা চেফোঙদা হাপখি- 'ইতিহাসকী শুক্লবা কাচিন্দা ভানুবিল' কৌবা ওয়ারেং। ওয়ারেংশি ভানুবিলগী লৌমিশিংগী অওয়া-নুঙাই ওয়ারিনি। অদুদগী খজিক খজিক তৌদুনা খোমজিন্বা ওয়ারীশিং চাউরকপা মপুং ফারে হায়না লাইরিক মচা অমা ওইনা পুথোক্লবা হোৎনজবনি।

ঐনা খোমজিন-থিজিন্বদা চিথ্রমগনি নিংঙি। অদুবু কনাগুম্বা ওজাশিংনা তাকপিরক্লবদি মথংদা হাপচিনজনবা হোৎনগে। লাইরিক অসি মপুং ফানবা হোৎনবিখিবা হামোম প্রবিত অমসুং ইনাও য়েনশমম চন্দ্রজিৎ নৎলমদ্রবদি লাইরিক ওইনা পুথোকপগী ওয়াফম লৈরমদে।

শান্ত খুমন
০১৭১৪-৩৬২২৪৬

# য়াওফম তাকপা


বাংলাদেশতা মনিপুরী লোনগী ফিবম অমসুং চাওখৎনবগী থৌরাং- ৯

ইতিহাসকী শুক্লবা কাচিন্দা ভানুবিল- ১৩

জননেতা হিজম ইরাবত- ৩৩

বাংলাদেশতা মনিপুরীশিংনা খুন্দারকপা- ৪০

বাংলাদেশকী মনিপুরী খুঙ্গংশিং- ৪৩

বাংলাদেশতা ফোঙখিবা মৈতৈ চেফোঙশিং- ৪৬

বাংলাদেশতা শান্নখিবা লীলাশিং- ৫৩

# বাংলাদেশতা মনিপুরী লোনগী ফিবম অমসুং চাওখৎনবগী থৌরাং

তাইবংপানসিদা হেক পোকপদগী শিজিন্নবসি মাগী মমালোননি। বাংলাদেশতা লৈজরিবা মনিপুরীশিংসু পোকপদগী শিবা ফাওবা মনিপুরী লোননা ঙাংনৈ। অদুবু নোংদম থিবদগী হায়গদ্রা করিনো বাংলাদেশতা লৈজরিবা মনিপুরীশিং ঙসি ফাউবা স্কুল কলেজতা ইমালোন্না লাইরিক তম্বগী খুদোং চাবশি ফংখিদে, হৌজিকসু ফংদ্রি। অদুবু বাংলাদেশতা মনিপুরীশিংনা খুন্দারকপসি চহি ৪০০ রোম সুরবা ফাউবা মনিপুরী লোন থাদোকপা ঙমদে। লানগাইনবদা চেল্লক্লুবসু লোনদি অসুম লোইনরকখি মনিপুরী ঐখোয়গী ইপা ইপুধৌশিংনা চৎনরকপা খুদিংমক চপচানা লাইনিং লাইশোনগী থবক চথই। ইন্ডিয়া পাকিস্তান খাইদ্রিঙৈদদি মনিপুরগী ওজাশিংসু লাক্লম্মী, ঐখোয়সু চখোক চৎসিন তৌরম্মী। ইমালোনসি বাংলাদেশতা লৈরিবা মনিপুরীশিং কদায় ফাওবা নুংশিবগে হায়বসি অঙক্‌পনি। স্কুলদা পরীক্ষাগী প্রশ্নদা 'তোমার মাতৃভাষায় লিখ' হায়না হায়বসিদা ওয়াহং অদুগী পাওখুম চপ্‌চানা মনিপুরী লোন্না ইরম্মি। বেঙ্গলী ময়েক্লা মৈতৈলোন্দা, মসি ১৯৬৮ইং গী ওয়ারীনি। রিজাল্ট হায়দোকপা মতমদা ওজা সামাদনা ঐবু মনাক্ত কৌশিল্লগা লুখমদা শেৎখি, নুংশিনা ফুখিবনি। মথংদা ওজা সামাদনা অমুক হায়রকখি নঙতরা মৈতৈলোন নুংশিবসে। ঐসু মৈতৈলোন নুংশি হায়দুনা স্কুল অসি লিংখৎপনি, ১৯৫৪ইংদা। মতম'দুদা স্কুলগী মীংথোনশি অসুম্না লৈরম্মী 'তেতই গাঁও পাবলিক হাই স্কুল' হায়না। হৌজিকনা 'তেতই গাঁও রসিদ উদ্দিন হাই স্কুল'। মতম'দুদা মনিপুরী লোনগী লাইরিকশিং থোইদোক্লা মরাঙ কায়না ফংখিদে মরমদি হিন্দুস্তান পাকিস্তান খাইদোকপদগীনি। অদুবু পাকিস্তানদগী লোন্‌না মনিপুর চখোক চৎশিন তৌবা মীওই খরনা স্কুল কলেজকী



CamScanner

ম্যাগাজিন অমা অনি পুরকপদু ওয়াইথোক-ওয়াইশিন তৌনবদা খাইবোক অমা তৎখিবসু য়াউরি। অয়াম্বদি ডি.এম কলেজ অমুসং জিরিবাম হায়ার সেকেন্ডারী স্কুলগী ম্যাগাজিননি। মথংদা নুঙায়তবা অমগা লোয়ননা নহারোল খরা হৌনৈ, ঐখোয়সু শৈরেং ইসি, ওয়ারী ইসি হায়না। মদুদগী 'ভানুগাছ মনিপুরী ছাত্র ছাত্রী ম্যাগাজিন কমিটি' কৌবা সংস্থান অমা লিংখৎখি। ঐখোয়গী মরু ওইবা উদ্দেশ্যদি ম্যাগাজিন অমা ফোঙবা। কমিটিদি শেমলে, শেন্থাংগী ফিবম তারকপদা য়ুমথোং খুদিং ফৌ খোমবা চৎলি। ফঙকখি। কমিটি অদুদা সভাপতি ওইখি মাইবম দেবেন, সেক্রেটারী- য়েনশমম শান্ত কুমার, ক্যাশিয়ার- চোংথাম অভিরাম, সদস্য- খোইরোম ইন্দ্রজিৎ, কে. সানাতম্বী দেবী, ওয়াই রোবেন, কে. লালমোহন।

১৯২৫ইংদা পাকিস্তানদা (হৌজিকনা বাংলাদেশ) ইহান হান্না ভানুবিলদা ভাগ্যচন্দ্র কৌবা লীলা অমা শান্নখি। মতম'দুদা জমিদারগী ওৎ নৈবসু কল্লি। বাঙ্গালী মরক্তা চাউরক্লবসু ইরোনবুদি কাউথোকপা ঙমখিদে। ১৯৫২ইংদা বাংলা লোনগী (ভাষা আন্দোলন) ইহৌ অমা হৌখি, মদুদা মমালোনবু নুংশিবা সালাম, বরকত, রফিক, জব্বারনা চীংবা লোনগী লান্মী কয়াদং থওয়াইনা পোন্থা ওইখি। ইথিল অদু বাংলাদেশকী মনিপুরীশিংদসু ফাউখি। চহি খুদিংগী ফেব্রুয়ারি ২১ দা শহীদশিংগীদমক শহীদ মিনারদা হৈকৎ লৈকৎ চৎলি, হৌজিক ফাউবা ঢাকাদা লৈরিবা মনিপুরীশিংনা 'ঢাকাবাসী মনিপুরী' হায়না তৎত্তনা চহিগী প্রভাতফেরী চৎলি। বাংলাদেশকী নিংতমলানদসু মনিপুরশিংনা নিংতমলান্মী ওইনা শরুক য়াখি। বাঙ্গালী মরক্তা ঐখোয়সু বাংলাদেশকী নিংতমলান্দা য়াউদবা ঙমখিদে। নিংতমলান্দা শরুক যারুবা মনিপুরী নিংতমলান্মী মীওই খরগি মিং শিংথাজরি- (১) নীলমনি সিংহ (ননি) (২) ধীরেন সিংহ (৩) পুতুল সিংহ (৪) খোংদ্রাম প্রতাপ (৫) আদিত্য শর্ম্মা (কংকর) (৬) অবনি কুমার সিংহ (৭) কে. দীলিপ সিংহ (৮) এস. কিরন সিংহ (৯) এম. মনোমোহন সিংহ (ফনে) (১০) কারাম নীলবাবু (লৈখিদ্রবা) (১১) নীলচান দত্ত (১২) থাংজম জীতেন (লৈখিদ্রবা) (১৩) খোইরম নীলবাবু (১৪) মাইবম প্রমোদ (১৫) এলাংবম অরবিন্দ্র সিংহ (লৈরিজাও) (১৬) য়ুমখাম ললিত (১৭) হেনাম সনাতোন (লৈখিদ্রবা) (১৮) এল. হরেন্দ্র (১৯) মোঃ আব্দুল হামিদ।

বাংলাদেশ নিংতমলান লোইরকপা মখাদা বাংলাদেশকী মনিপুরীশিং শেনথুমগী ফিবম ফৎতবনা নম্মী। মরমদি মতম'দুদা লৌউ-শিংউবা নৎতনা থোইদোকপা

সরকারগী থবক পাইবা মীওই পংয়াম য়ামদে। নিংতমলান মমাং ফাওবদা মেট্রিক (এসএসসি) পাশ তৌবা থোইদোক্লা অরাইবা থবক নংলমদে। হৌজিক্তি মনিপুরীশিং য়ুমথোং খুদিংদা সরকারগী থবক তৌবা অমা/অনিদি য়াওরে।

১৯৭৫ ইংগী মেগী তাং ১১ নুমিৎসি বাংলাদেশকী মনিপুরীশিংগীদি মাইলষ্টোননি। হায়রিবা নুমিৎসিদা 'পূজারী সাহিত্য সংসদ'কী যাত্রা হুনখি, হৌজিক্লা 'বাংলাদেশ মনিপুরী সাহিত্য সংসদ'। মঙ্গেমখোংগী (নয়াপত্তন) প্রাইমারী স্কুলগী খা-অওয়াং চৎপা লম্বিদা ফমদুনা। যাত্রা হুনবগী থৌরম'দুদা মরু ওইনা লুচিংবদি (১) এ কে শেরাম (২) কে সুবোধ (৩) য়েনশমম শান্ত কুমার (৪) খোইরোম ইন্দ্রজিৎ (৫) এস. অনিল চন্দ্র। মথংদা মেম্বার ওইনবা হায়জরুবা মতমদা হরাও হরাও য়াবিরকখিবাশিংদি মথংশিংনা- (১) এম তলেন (হান্নুনা য়ানবা) (২) রঘুমনি (৩) ধৃত কুমার (৪) অভিরাম (৫) চন্দ্রমোহন (৬) সুভাষ চন্দ্র (লৈখিদ্রবা) (৭) ও. গোলাপী (৮) তৌরেম রবিন (৯) ও. বীরেন (১০) নীরেন (১১) এম. বীরেন (১২) বীনারানী দেবী (১৩) কে. সানাতম্বী দেবী (১৪) কে. বেনু দেবী (১৫) বিলাশিনী দেবী (১৬) বাসন্তি দেবী (১৭) শামসুন নাহার মিতা অমসুং (১৮) আমুসানা দেবী। চহিমক্তুদা ডিসেম্বরগী তাং ১৬তা 'দ্বীপানিতা' কৌবা চেফোং অমা বাংলা অমসুং মনিপুরী লোননা ফোংখি। মথংদা ঙসিফাওবা বাংলাদেশতা ফোংলবা লাইরিক শিংদি- মনিপুরী লোননা ফোংবা শৈরেং লাইরিক তরানিপান, ওয়ারেং লাইরিক অহুম, ওয়ারীমচা অনি, উপন্যাস অমা, লাইনিং লীচৎকি লাইরিক অনি, লমকোয়ওয়ারী অমা। বাংলাদা ফোংখ্রবা লাইরিক– শৈরেং তরা, ওয়ারেং মঙা, লমকোয় ওয়ারী অমা, লাইনিং লীচৎকা মরী লৈনবা অমা, উপন্যাস অমা।

হৌখিবা এপ্রিলগী তাং ২৯-২০১১ইং সিলেটতা মনিপুরী ভাষা গবেষণা ও উন্নয়ন সংস্থা কৌবা সংস্থান অমা লিঙ্খৎখি। সংস্থান'সিনা হৌজিক হৌজিক মনিপুরী ময়েক তম্নবা লাইরিক ময়েক মপী কৌবা লাইরিক পুথোক্তুনা মনিপুরী স্কুল মরি লিঙ্খৎতুনা ময়েক অমদি লোনবু চাওখৎনবা কন্না হোৎনরি। স্কুলশিংদি- ১। মনিপুরী স্কুল, কথে ইনস্টিটিউট ২। মনিপুরী স্কুল, গঙ্গানগর সরকারী প্রাথমিক বিদ্যালয় ৩। লৈহাউ মনিপুরী স্কুল, মনিপুরী কমপ্লেক্স, ভানুবিল ৪। মনিপুরী স্কুল, সিলেট। স্কুল মরিসিদা প্রাইমারী থাক্ত মনিপুরী লোন অমদি ময়েক তম্বিরি।

হৌজিক্তি স্কুল কলেজতা ছাত্র-ছাত্রীশিংসু মনিপুরী লোননা ওয়ারী শান্নবা থেংনৈ অদুবু মতম্মদদী য়ুমদগী থোঙ্গান লানথোকপগা বাংলা নৎতনা ঙাংনবদা

ইকায়নরম্মী। বাংলাদেশকী মনিপুরীশিংগী অরুবা হায়ববু থবক অমা নত্রগা মীফম অমা ফম্লবদা মনিপুরী লোননা ঙাংনবা য়ায় অদুবু রেকর্ড থম্বা তারবদি বাংলাদা চে-চাং শুবা তাই। মরমদি বাংলাদেশ সরকারনা মনিপুরী লোনসি রিকোকনাইজ তৌদবনা। ১৯৮০ইংগী ডিসেম্বরদা বাংলাদেশকী রাষ্ট্রপতি জিয়াউর রহমানগা উনবগী খোঙজং অমা চংশিললুই মদুদা ঐহাক ইশামক্লা মেমোরেন্ডাম অমা পিরম্মী, ঐখোয়না বাংলাদেশকী রাষ্ট্রপতিদা দাবী কয়াতং থাঙ্গৎলম্মী মদুগী মনুংদা শিংথাবা য়াবাদি– (১) ইমালোন্না (মনিপুরী লোন্না) লাইরিক তমজগে (২) সিলেট মেডিকেল কলেজতা মনিপুরীগীদমক সিট অনী রিজার্ব পিবা (৩) ঢাকা ইউনির্ভাসিটিদা সিট অনী রিজার্ব থম্নবা দাবী কয়াতং তৌরম্মী।

অদুবু হান্নদি মেরাগী নিয়মসেবা তৌবা মতমদা লাইরিক থিবা-হায়বা হায়না তৌরম্মী, হৌজিক্তি মদুসু কয়া লৈশিলকত্রে। মসি ঐখোয়গী শোন্থরকপনি। বাসোক শক্নরম্মি মনিপুরী লোননা, রাধা কৃষ্ণগী শৈশক অদুবু হৌজিক্তি থোইনা উবা ফংদ্রে। মরমদি মা-মাগী হিংনবা লানফমদা মাইয়োক্লবদা ঈশৈ শকপা, লাইরিক হায়বা-থিবগী শিনফমসি লৈশিল্লকত্রে সরকারগী থবক তান্নবদা। সরকারগী থবক পাইরবনিনা অয়াম্বনা কলোনীদা লৈবা তাই, অঙাংশিংসি মনিপুরী লোন কয়া ঙাংনিংদ্রে, মরমদি থোং হেক কানথোকপগা ময়াংগী মরোন্ন লোন্নবা হৌরে। অদুদগী ময়ুমদসু লোল্লে ময়াং মরোন্দা। মসিদা মরু ওইবদি মমা অদুনা মচাদুবু মপান্দা বাংলা ঙাংলবসু য়ুমদদি মনিপুরী লোন ঙাংগদবনি। মদুদতা মনিপুরী লোন অসি চাওখৎকদবনি ময়াম্না লোল'সিবু শকখংনগনি।

হৌজিক্তি মনিপুরী লোননা ইনরক্লিবা লাইরিংকশিংগী মনুংদদী এ. কে. শেরাম শিংথানিঙায়নি। লাইরিক হৈবগী মতাংদদী প্রোফেসর সোনামনি সিংহ তোমথিন শাৎপনি। অদুবু হৌজিক হৌজিক্তি মমালোনবু থোইদোক্লা অওয়াবা লোন্নি হায়না খন্নদ্রে। মশা মশাগী ইমালোন্না ইনিংবা-পানিংবগী ইথিল ফাওনবা হৌরক্লে। ঐখোয়না মনিপুরগী ওয়াংমদা বাংলাদেশতা লৈরবসু মনিপুরী লোনবু কৈদৌনুংদা কাওদে, কাওথোকপসু লৈখিদে কৈদৌঙৈদসু কাওরোয়।

---

*রিসার্চ ফোরাম মনিপুর-না শিনলাংবা মালেমগী থাক্ত মনিপুরী লোনগী মরমদা সেমিনার অমা ১২-১৪ নভেম্বর ২০১০ইং নুমিৎ হুম্নি চুপ্লা পাংথোক্কদবা থৌরম'দুদা শরুক য়াবিনবা বার্তোন তৌরকখি। মতম'দুদা ঐ বামসাস কমলগঞ্জ শাখাগী সাধারন সম্পাদক ওইরি। সেমিনারদুদা পাথোক্লবা থাখিবা ওয়ারেংনি।*



CS CamScanner

# ইতিহাসকী শুরুবা কাচিন্দা ভানুবিল

ওয়াহৌদোক : খাগেম্বগী হীরু হঞ্জবনা অথুবা থবক অমা চৎপগীদমক শানোংবগী হীরু হঞ্জবদা হায়দুনা হী অমা লৌরুবদা লাইগী নোংদম অমনা হী অদু কায়থোকখ্রে। অকায়বা হী অদু থিল্লুবা মতমদা মহাক্কী হান্নগী হী অদু পুরকউ হায়না ময়ামবুংগী হীরু হঞ্জবদু তানথোকপীখ্রে। ওয়াফমদু নিংথৌ নাকোং য়ৌরবনিনা ময়ামবুংনা হায়রকই– হী মহুৎ অমা পীউরা, মমল ওইনা তৌসিরা নত্রগা হান্নগীদুমক ফোৎলুরা। শানোংবনা শাওনা খুমলকই– হী অদু ফোৎপসু য়ারোই, হী মহুৎসু পামজদে, মমলশু লৌনিংদে-ঐগী হী'দুমক পীউ। অদুদগী মচিন-মনাও নুঙাইনদবদগী শানোংবা মনাই মশেল ময়ামগা লোয়ননা ময়াং লমদা (শ্রীহট্ট) লাক্লগা খুৎ শেমলগা ময়ামবুংগী মথক্তা লান্দাখি। 'হকওয়ানথেম খুঞ্জাগী কুম শোক ১৫২৬ (১৬০৪ খৃ.) ময়াং লাক্কুনা চেকশঙ মনাক্ত খাল্লে তৌরম্মে। মৈদিংঙু খাগেম্বগা য়াখারেক্কা মৈন্তা শরি শোন্নেএ ইবুংঙো শানোংবসু খৈখিএ।' শানোংবসি শ্রীহট্ট অমসুং কাছাড়দগী ময়াংশিং খোম্লগা ময়াম্বুঙ খাগেম্বগী মথক্তা লান্দাখি। 'হৈরাং খোংজম মোনশাংগী কুমশোক ১৫২৮ (১৬০৬ খৃ.) শানোংবনা চীংদুনা য়াংকোইরোমদা ময়াং লাকএ হায়দুনা চৎএ লাইয়িংথৌ খাগেম্বনা ময়াং ঙমলৌএ। শানোংবসুং খামলৌএ' শানোংবগী তুং ইন্বশিংনা অমা-অনি চিখহৌবা কাংবুনা মতমদুগী আসামগী শ্রীহট্ট জেলাদা মনিপুরী খুন্দারকপসি অহানবনি। অদুগী মমাংদসু লৈপাক্কী খুৎ-শা হৈবশিং চাওখৎনবগীদমক শ্রীহট্ট অমসুং কাছাড়নচিংবা মফমদা কোললিক্ শাবা মী থাখিরম্মি। মথংদা মপুং ফানা শন্দোরকপদি চহি তরেৎ খুন্তাকপগী মতমদনি (১৮১৯-১৮২৫ খৃ.)। চৌরজিৎ মহারাজনা পাল্লিঙৈ মতমদা– য়ুম্নাক আরোক শঙলেন লাকপগী কুমশোক ১৭৩০ (১৮০৮ খৃ.) তরানিথোইনি ইরাইদা মনাও ইবুংঙো মারজিৎ যুবরাজনা লানশোনবীদা উতোংচাক চাগে হায়শিন্নদুনা অওয়াং

লম্ হাওনাবারম চৎতুনা খুৎ খোম্লক্তুনা খুদৈবন্দা তেঙ্গোল লিংদুনা থা-১ শোকনৈএ। ঙমদদুনা ময়াং লমদা চেনখিএ। সিনাম মুংয়াম্বগী কুমশোক ১৭৩৫ (১৮১৩ খৃ.) ৬-নি লোংমাইচিংদা মনাও ইবুংঙো যুবরাজগা শ্রীযুৎ মহারাজ ফালোক ওয়াইরং পামহৈবগা ককচিং পনজাউদা নুমিৎ ১১নি শোক্লববু মনাও ইবুঙো শ্রীমার্জিৎ যুবরাজনা ঙমদুনা শ্রীযুৎ ফালোক ওয়াইরং পামহৈবগী ময়াং লম্ চংখিএ।' হৌজিক ভানুগাছকী রাণীরবাজার কৌবা মফম'সিদা কোনুং শেমলগা লৈরম্মি । শ্রীযুৎ চৌরজিৎ মহারাজকা লোইনরকপা কাংলুপ্না ভানুগাছতা মপুং ফানা খুন্দাব হৌখি।

খৃষ্টাব্দ ১৮১৩ দগি ভানুবিলদা অহানব খুন্দাবসি য়ুম অনিখক্লা ইহান-হান্না খুন্দাব হৌখি। য়ুম অনিনা খুন্দা হৌখি হায়বগীদমক লমদম অসিগী মৌজা ফাওবা দু'ঘর মৌজা কৌই। অহান্বা য়ুমফমদুগী লমদু পাকপনা দাগ অমত্তংদা লৈরম্মি। হৌজিক্তি য়োম্ল্তোক-য়োনশিন তৌবদা দাগ অনি থোক্লে। হৌজিক হৌজিক লৈরিবা য়ুমফমদুগী ফিবম মখাদা পীজরি– (১) মৌজা দু'ঘর, জেএলনং-৯১, খতিয়ান নং-২৭৬, দাগ নং-৩৬২০, লমগী পরিমাণ-০.২৪ একর (২) মৌজা দু'ঘর, জেএলনং-৯১, খতিয়ান নং-৫৫, দাগ নং-৩৬২০ অমসুং ৩৬২২, আরএস দাগ নং-৫৫৩৩ অমসুং ৫৫৩১, লমগী পরিমাণ-০.৯২ একর। অহান্ব খুন্দারকপা মীওইদি লুওয়াংচা অমুরাবা মহাক্কী লোইনবী অমুরৈনা ইহান-হান্না ভানুবিলদা খুন্দারকপগী খুভম ওইনা ঙসি ফাওবা শজিবু চৈরাওবা নুমিৎত্তা মখোয় অনিগী মীংখৈদা চাক্থা পীনরি। হায়রিবা য়ুম অদুগী নোংপোক্তা পুখ্রি মচা অমা লৈরম্মী। নোংচুপ্তা লাউয়াছড়া তুরেল অমা লৈ। তুরেল ফিভানদা খোং হাম্ব, তুরেলদা লুজবা খুদোং চায় হায়না য়ুমদারম্বনি। মথং-মথং জোঙ্গোল হায়দোক্তুনা মা-মনা লৌ দখল পাইবা য়াৎনি। কাইনথংদা মপু অমা লৈতবা ফত্তে হায়দুনা জমিদারদা চৎনা হায়জরুবদা হরাও হরাও য়াবিরকখি। 'যার নুন খায়, তার গুন গায়' হায়বগী মওংদা জমিদারনা থুম সের অমমম লৈহৌ লানা য়োমদুনা পিরকখি হায়নৈ। অদুদগী দু'ঘর মৌজাসি জমিদারগী মখা পোন্খি। হৌজিক্তি ভানুবিলসি য়ুমকোক হুস্ফুতরানিথোয়না পান্বা খুঙ্গংনি। খা-অওয়াংদা কিলোমিটার অমামখাইরোম পাকই, নোংপোক-নোংচুপশুনি। মিশিং চামঙারোম লৈ, খা-নোংচুপতা লাউয়াছড়া তুরেলনা খাইদোকই। তুরেলগী অওয়াং-নোংপোক্তা লৈবঙৈদি দু'ঘর মৌজাদা চল্লি। খা'দা নয়াপত্তন, অওয়াংদা উত্তর ভানুবিল, নোংপোক্তা পূর্ব ভানুবিল, খা-নোংপোকতা হামোমখুল অদুগা খা-নোংচুপ্তি

লাউয়াছড়া তুরেলগী লৈপলনা পল শাবনি অয়াং-নোংপোক্তি বিষ্ণুপুরিয়া অমসুং মৈয়াংনা পল ঙাকপনি।

**মীংথোন :** লুওয়াংচা অমুরাবা অমসুং অমুরৈনা খুন্দানবা কোইনা লম্ য়েঙকপা মতমদা ভানু নারায়ন কৌবা নিংথৌগী মচানুপী ভানুমতিনা খুন্দাবা য়াগনি হায়না তাকলম্বা লম্নি হায়না ভানুবিল কৌখিবনি।

**লাইনিং-লাইশোন :** গৌড়িয়া বৈষ্ণব লাইনিং লিচৎকী থাজবনা অয়াম্বনি। হরি মন্দির মরি লৈ, মন্দির অমনা শিংলুপ অমনি। শিংলুপশিংদি মথংশিংনা-

১। লক্ষী নারায়ণ শিংলুপ ২। মমাং শিংলুপ ৩। কৈশাম শিংলুপ ৪। মান্ডব মচা শিংলুপ, শিংলুপ খুদিংগী লাইশং মান্ডব অমমম লৈ। হান্নদি শিংলুপ খুদিংগী পুং য়ৈবা-ঈশৈ শকপা লাইরিক থীবা-হায়বা পুন্নমক শুনবা লৈরম্মী। মেরা থাদা থা অমা চুপ্না শিংলুপ খুদিংগী লাইরিক তানরম্মী। হৌজিক্তি তৌদবা য়াদে হায়বগী মওংদা হৌবা লোয়বদি চৎনরি। রথকী মতমদা রথ চীংলম্মী, হৌজিক্তি অমত্তা চিংনদে। পোইরৈ অপোকপা মরুপ চৎপা য়ুমকোক অমা, সনামহী কাংলুপ য়ুমকোক অমা। খ্রীস্টান (প্রোস্টেটান) চৎপা য়ুমকোক অনি লৈ, অদুগা কৃষ্ণ জন্ম-রাধা জন্ম পিতৃপক্ষনচিংবা থৌরমশিং কায়দনা পাংথোকনরি। স্বরস্বতি পূজানচিংবা থৌরমশিংসু পাংথোকলি। মেরা থাদা নিঙোল পালিশু তৌনরি।

**ফীজেৎ-লৈতেং :** হান্নদি নুপানা য়ুমদা লৈরিঙৈ মতমদা খুদৈ শেৎনৈ, নুপীনা ফনেক শেৎনৈ। শ্রাদ্ধ-কর্ম, লুহোংবা তারবদি ফৈজোম শেৎলি-ফুরিৎতি পুমজাত ফুরিত লিৎনৈ, অঙৌবা নত্রগা লৈহাও মচুগী ফীনা লেংজান ওইনৈ। অদুগা হান্নদি নিঙোলশিংনা খাওন ওন্নরম্মী। শাই খাকলম্ব-খাওন ওনলম্ব নিঙোলদুনা লুহোংলবা মতুংদা মপুরোইবগীময়ুমদা চৎলবা মতমদা নোংমা নুমিৎ-থা য়েংলগা শাই হাইগৎপী, ফীদোন চিংখৎপী হায়না তেক-কায়দবা মৌ নহাশিংনা মৌ অদুবু ফাদুনা-নমদুনা ফীদোন হায়গৎপী শাই হায়গৎপী হায়না চৎনরম্মী। মদু চহি ২৫/২৬ মমাংদগী মাংখ্রে। বাঙালী মরক্তা লৈবনা বাঙালী ফিজেৎ খরা লৌনরে— সেলোয়ার কামিজ অমসুং শাড়ী শেৎনরে। মপান থোকপা মতমদা স্কুলগী ওজা ওইবীশিংনা অমসুং ব্যাংকতা থবক তৌবশিং স্কুল কলেজ তম্বশিং। অদুবু ঈণাৎকী ওইবা থৌরম কয়াদদি ঐখোয়গী চৎনবী ওইনা পুঙৌ ফনেক শেৎলী, অঙৌবা ফুরিৎ লিৎলী, অঙৌবা ফীদুপ ইন্নে। লুহোংবা মতমদা নুপিগীদি পোৎলোয় শেৎনৈ, কোকতা লৈত্রেং হাপনৈ, নুপাদি অঙৌবা ফুরিত ফৈজোম

সিংহনা থৌ পুরি। চৈতন্য সমাজকি পুগৈদা হৌজিক লুপা লাখ অনিরোম লৈ। চৈতন্য সমাজকি মেম্বার অমা শিবদা শ্রাদ্ধ কর্মনচিংবা পাংথোক্লবা লুপা লিশিং অহুম লোয়ননা চেং কেজি চামগা কুন তেংবাংলি। মেম্বার নত্তনা মেম্বারগী ইমুং-মনুংগী মী অমা লৈতবা তারবদি লুপা লিশিং অনি তেংবাংলি, অদুগা চেংদি চপ্ মান্নে। হৌজিক লৈরিবা সদস্যশিংদি অপুন্বা ৬৫নি মদুদা- ভানুবিল ৪৮, তেতইগাঁও ৩, নয়াপত্তন ৩, গংগানগর ১, চিৎলীয়া ২, কাটাবিল ১, ধামাই ১, হকতিয়ারখোলা ১, ছনগাঁও ২, নলডরী ১, মাধবপুর ১ অসিনচিংবা।

১৯৭১ইং বাংলাদেশ নিংতমলবা মতুং ১৯৭৩ইংদা 'ধ্রুবতারা সংঘ' হায়বা সংস্থান অমা লিংখৎলম্মি। চহি তরামুক থবক চথরম্মি, হৌজিক সংস্থান অদু লৈখিদ্রে। খৃ.গী ১৯৫০তা 'ভানুবিল স্বারস্বত টোল' কৌবা সংস্থান অমা লুখোই পণ্ডিতনা লিংখৎলম্মি অদুগা মশামক্ল ফাউন্ডার প্রিন্সিপাল ওইনা থৌ পুরম্মী। মহাক্না লৈখিদ্রবা মতুংদা য়েনশমম মধুমঙ্গলনা মহুত শিনলম্মি। অদুগী মথংদা মধুমঙ্গলনা লৈখিদ্রবা মতুংদা য়েনশমম শান্ত কুমার সিংহ ব্যাকরণ তীর্থনা ১৯৮২ইং ফাওবা পুরম্মী। হায়রিবা টোল অসি বাংলাদেশ সাংস্কৃত ও পালি শিক্ষা বোডকী মখাদা রেজিস্ট্রার তৌরম্বনি। হৌজিক হৌজিক মতমগা চানা-চুনদবনা সংস্থান অদু লৈখিদ্রে। 'মাঝেরগাঁও যুব সমবায় সমিতি লিমিটেড' ১৯৯২ইংগী মার্চ থাদা লিঙ্খৎখি। মসি ভানুবিলগী নহারোলশিংনা শেম্বনি। হৌবদি ফজে অদুগা হৌজিক্তি মীংথোক্তা ঙায়রে। ২০০৪ইংদা সমবায় অধিদপ্তর মখাদা রেজিস্ট্রার তৌখি, রেজি. ইং-৬০৭, তাং ১৭-০৬-২০০৪। হৌজিক কৈশাম ননিগোপালনা সভাপতি অমসুং নাওশেকপম লোকেন্দ্রনা সেক্রেটারী ওইনা উচিন-নাচিন্ননা হিংনা লৈরি। সমিতিগী ফান্ডতা চাওরাকপা টাকা ৯০,০০০/-রোম লৈ। সমিতিগী মেম্বার ২৯নি। ইন্ডিজিনাস মনিপুরী মাল্টিপারপাস কো অপারেটিভ সোসাইটি লিমিটেড' সমিতি অসি ২০১১গী জানুয়ারি থাদা লিঙ্খৎপনি। সভাপতি থৌনাওজম প্রমোদ অমসুং সেক্রেটারীনা অনৌবম হরিকুমার শর্ম্মা। এক্সিকিউটিভ বডিনা ০৯নি। সমিতি অসিনা চথরিবা থৌরমশিংদি- সমিতিগী মেম্বারশিংবু শেল-থুমগী ফিভম ফগৎহন্বা, অঙাংশিংবু মতম চানা মহৈ মশিং তমহন্বা, খুঞ্জাগী লম্বী থোং শেমজিন্বা, সরকারগী যুব প্রশিক্ষণ কেন্দ্রদা মী অনি থাদুনা ঙানু য়েন, ষণ ইরোইনাচিংবা লোয়বগী মতাংদা ট্রেনিংসু লৌনরে। সমিতি অসিনা সদস্য ২৭তা লুপা লিশিং মঙা মঙা তৌদুনা লোন্ পিখ্রে। হৌজিক সমিতি অসিগী ফান্ডতা লুপা লাখ অহুমরোম লৈরে। ইমা

বাংলাদেশ (ইন্টিগ্রেটেড মনিপুরী এসোসিয়েসন ওব বাংলাদেশ) না লিংখৎপা মনিপুরী কমপ্লেক্স হায়বা সংস্থান অমসু হৌজিক লৈরি। কমপ্লেক্স এরিয়া মনুংদা জননেতা হিজম ইরাবত সিংহগী ষ্ট্যাচু অমা খিল্লি, লোয়ননা ভানুবিল লৌমিশিংনা জমিদারগী মায়োক্ত লান্থেংনখিবগী লানঙম ষ্ট্যাচু অমসু খিল্লি অদুগা থংননা বৈকুণ্ঠ শর্মা-কাসেম আলী লাইব্রেরী অমসু লৈরি।

১৩.০৭.২০১২ ইংদগী মনিপুরী ময়েক মপী তম্বিনবা স্কুল 'লৈহাউ মনিপুরী স্কুল' কৌবা অমসু লৈ। খৃ.গী ১৯৩৩ইংদগী 'দি ভানুবিল ড্রামা পার্টি' কৌবা সংস্থান অসিনা চহি খুদিংগী চাং নাইনা লীলা উত্তুনা মিয়ামবু হরাও নুঙাইহল্লি। পার্টি অসিনা শান্নখিবা লীলাশিং পল্লবদা– ভাগ্যচন্দ্র-১৯২৫, চন্দ্রজিনি-১৯২৮, মনিপুর লৈশেম্বা-১৯৩৭, বব্রুবাহন পোকপা-১৯৪০, মাইনু পেমচা-১৯৪২, শরৎপূর্ণিমা-১৯৪৮, থাম্বালনু, মধু মালতি, থাবলৈ, থাদোকপা, মৈতৈ চনু, বৃন্দাগী লাইবক, পামহৈবা, চরাইরোংবা, ইমুংগী ইজ্জত, ঐ মমানি, তুরেল ওয়াংমা, সহী-১৯৮২, লূ'দা মী চংবা-১৯৮৮, ইমাগী মমৌ, ইচাশা ইপা লম্বোইরে, নুপীনা নুপা লোম্বা, বিএ থিবা-১৯৭৩, গরীব নেওয়াজ-১৯৭৪, বীর টিকেন্দ্রজিৎ-১৯৯৪, লমলান্বী-১৯৯৯, লৈপাকলৈ-২০০১, বসন্তগী নুঙাল্লমদাইদা-২০০২, করি নুংগী নুপী লোনজরুবনো-২০০৩, কবোক ওইখ্রবী কবোক লৈ-২০০৪, ইতৈমা-২০০৫, অমম্বা য়ুম-২০০৬, সানা পাৎকী থরিক থ্রা-২০০৭, লৈমন চল্লবী-২০০৮, নঙ ঐগী মংলান্দো মঙ ফাওনখিদ্রে-২০১০, ইচাগী ইরাল নত্তে ঐগীনি-২০১১, নিঙোল-২০১২, 'ঐখোয় পাবুং পেং চোয়রে-২০১৩' অসিনচিংবা।

**শান্নবা :** মনিপুরীশিংগী কাংজৈ, কাং (কাংপাক,কাংথ্রো) শান্নবা মমাঙৈদা শান্নরম্মি। কাংজৈ শান্নবসি লৌউ-শিংঙু লোয়শিল্লগা লৌবুক্তা শানরম্মি। কাংজৈশি উ নত্রগা ওয়ানা পেকোক তৌনা কোম্বা অমনা কাংজৈ ওইনা পাইনরম্মি। কাংদ্রুমনা ওয়ারু অকংবনা কোরোক-কোইনা শেম্মগা লৈকাই-লৈকাই নত্রগা খুঞ্জা-খুঞ্জা শিংনদুনা শান্নরম্মি। কাংপাকতি ১৯৭১ ইং মমাংদা খুল অমগা খুল অমগা প্রীতি ম্যাচ ওইনা শানরম্মি। মতমদুগি কাংদি শাংবদা ১৪/১৫" ইঞ্চি-পাকপদনা ৫/৬" ইঞ্চিনা শান্নরম্মি। অসাংবা কাংনা কাংলৈদা পাম্বা হেল্লি হায়না হায়নরম্মি, নোংমদা পাঞ্জল ২০০-৩০০ রোম কাপ্পরম্মি। মাইকৈ অনিরোমদা শান্নরোয় ৭/৭ তৌনা ফমনৈ। পাঞ্জন থাবা হায়নসু লৈ। শানরিবা খুল অদুগী ওয়াহৈ-ওয়াতা হৈবা মীওই অমনা পাঞ্জন থাবা ফম্মি। পাঞ্জন থাবগী পোৎচংদি ইকানা তৌনরম্মি। পাঞ্জন তরা ফাওবা ইকা খরা তেল্লি অদুগা

তরা শুবা ইকানা খরা শাংঙি। অমুক ১০০ শুবা পাঙ্গনগী ইকানা কাপমুক শাংঙি। অহান্বা কাপ্পা কাংলুপ্পা পাঙ্গন কারকপা মতমদা অসুম্না হায়নৈ– স্নজিংগুম্বা পাঙ্গন তরা কারে হায়না, অমুক হল্লকপা মতমদা স্নজিংগুম্বা পাঙ্গন অমা কিন্থবা হৌরে। ১৯৯৬ইংদা নহারোল খরানা 'পান্থোইবী কাং কমিটি' লিংখত্নুনা টুর্নামেন্ট অমা শান্নহনখি। ২০০১ইংদা 'বাংলাদেশ মনিপুরী কাং ফেডারেশন্না শিন্বা টুর্নামেন্টতা 'ভানুবিল ভানুমতি কাংখুৎ' নুপা-নুপি কাংখুৎনা চেমপিয়ন ওইরকখি। ২০০৮ইংগী ফেব্রুয়ারি থাদা ঢাকাদা অনিশুবা ইন্দো-বাংলা গেমদা ইন্টারন্যাশনাল প্লেয়ার অমা ওইনা য়েনশমম গুনাধন সিংহনা ১০ মিটার এয়ার রায়ফেল শুটিংদা চেম্পিয়ন ওইদুনা গোল্ড মেডেল লৌরকখি। চহিদুমক্তা সিলেটতগী অপুন্বা বাংলাদেশকী ওইনা মহাক্না শুটিংদা চেমপিয়ন ওইরকখি। ২০১২ইংগী ডিসেম্বর ২৫দা ৫ম শুবা জাতীয় শুটিং চেম্পিয়ন শিফটতা ব্রোঞ্জ পদক ফঙকখি। থাং-তা শান্নবদা বাংলাদেশতা থোইদোক্লা মীং ফাওরবা লাইশ্রম বিদ্যাধন সিংহনি। মহাক্ন হন্দক ১৫.০৪.২০১১ইংদা রানীর বাজারদা বাংলাদেশ ব্যাংককী গভর্নর লাকপগী থৌরম অমদা থাং-তা শান্নবা উৎপদা পেনমনখিদুনা লূপা লিশিং কুন (টাকা ২০,০০০) মনা ওইনা পিরমখি। মহাক থাং-তা'দা (ব্ল্যাক বেল্ট) গ্রেজুয়েটনি। ২য় এশিয়ান থাং-তা চেম্পিয়নসিপ ২০১৩ ভারতকী ঝাড়খন্ডদা পাংথোকখি অদুদা ২৪.০৪.২০১৩ইং ৮০ কেজি ক্যাটাগরিদা শরুক য়াদুনা গোল্ড মেডেল ফংলকখি থাং হায়বদা। ১৯৮৬ইং দগী থাং-তা শান্নবা হৌবদুনা হৌজিক ফাওবা ময়ামগী সেবা তৌরি। ১৯৯৩ইং-দা ঢাকাদা পাংথোকখিবা সাফগেমস'তা শরুক য়াখি।

**ভানুবিলদা অথোয়বা মীহুৎশিং লাক্লম্বা :** পণ্ডিত জওহরলাল নেহেরু ১৯৩০ইংদা লাক্লম্মি। মহাক্ন লাকপা মতমদা লীলাবতি দেবীনা (লৈহাউ শর্মা) লুচিংদুনা মোইথাপ নাইবগী খুদম উৎখি। মথংদা অমুক্কা হন্না পন্ডিত জওহরলাল নেহেরু ১৯৩৭ইংদা লাক্লম্মি। ব্রিটিশকী লেবার পার্টিগী এমপি মিস উইল কিনসন, ভারতকী কৃষ্ণ মেনন অমসুং সোরোজিনি নাইডু। জননেতা হিজম ইরাবত ভানুবিলদা ১৪/১৫রক লাক্লম্মি। মনিপুরদগী প্রো. ওইনাম ইবোচাওবা, আধুনিক কবি এলাংবম নীলকান্ত, নীলবীর শাস্ত্রী, মুতুয়া বাহাদুর, থৌনাওজম ইবোয়াইমা (ইরাবত ফাউন্ডেশনগী সভাপতি), মেমচৌবী, ড. যামিনী দেবী, থাংজম ইবেম্মা, প্রো. এন তোম্বী (সভাপতি- মনিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফাল) অমসুং নোংথোংম্বম কুঞ্জমোহন সিংহ অমসুং আর মাসাকুই, ফার্স্ট সেক্রেটারি, ইন্ডিয়ান



CamScanner

হাই কমিশন, ঢাকা, কয়ানা খোংথাবিরমদুনা ভানুবিলগি পুক্কেদা ইতিহাসকি মচাক ওইহল্লি।

**লৌমিশিংগী ইহৌ :** কুমশুবা শতাব্দীগি অহানবা পন্দুপকী ওয়ারীনি। দু'ঘর মৌজাদা চনলিবা ভানুবিল অসি পৃথিমপাশাগী মমিং ফাওরবা জমিদার মৌলভী আলী আমজদ খাঁ'গী তালুকফমনি। জমিদারগী মীশিংনা ওৎ নৈবনা লৈরিবা মৈতৈ প্রজা ময়ামশিংগী মথক্তা অওয়াবা পিখি। মরু ওইবা মরমদি খাজনাগীদমক্তনি। অদুঙৈগী পূকচেল তিংলবা মৈতৈ প্রজাশিংনা জমিদারগী খাজনা মতম-চানা শেংদোকচৈ। তৌইগুম্বশুং অয়াম্ব মতমদা চেনিং (রিসিট/রসিদ) লৌখিদে। মরমদি চেনিংগীদমক থোইদোক্লা চিংনবা লৈরমদে। কনাগুম্বনা ফংলবা শেলবু ফংদে হায়দুনা ওয়া লৈথোকপা ওইথোক্তবনি হায়না খনখি। মথংদা জমিদারনা খাজনা পিদবগীদমক্তা মৈতৈ প্রজাগী মায়োক্তা কেস তৌবা হৌখি। অনিশুবদা মতম খরানি মতুংদা অওয়াবগী মথক্তা অওয়াবা হাপ্তুনা খাজনা কিয়ারদা লুপা অমা মখায়দগী হেনগৎত্তুনা লুপা অনি মখায়দা পুখৎখি। অহুমশুবদা মমাংঙৈদদি নিংতম্না মথৌ তাবদা উ-ওয়া য়ানবা, পুখ্রি তৌবনা চিংবা মশাগী মরৌবু অপাম্ব মওংদা শিজিন্নরম্মী। হায়রিবা খুদোংচাবা কয়াসে নোংমা নোংমগী লৈশিল্লকত্রে। মথং মথং অসুম তৌনা ওৎপা নৈবগী তাশোন খাংনা করন্না সংসারদা মী ওইনা পাম্ব ঙমগনী। অদুদগী ঙম্বা মখৈ হিংনবগী খুদোংচাবা কয়াগী দাবি তান্দুনা অমত্তগী লংলাদা পরেং ওইদুনা মৈতৈশিংনা জমিদারগী মায়োক্ত মায়োক্লবা হৌখি। মরিংজেল খারবা মথৌনা কল্লবা অমদি নিংহন্নবা লৈত্রবা মৈতৈ প্রজাশিংগী মতৌ উরক্তুনা জমিদার সাহেবনা সমাজকী মকোক ওইবাশিংবু তাইশিন্নবগী ওয়া ঙাংনগনী হায়দুনা পৃথিমপাশাদা কৌখৎখি। মহু কল্লবা ময়াং তাৎনা ওয়া ঙাংনবগী মহুৎতা পঞ্চানন ঠাকুর, বেকুন্ঠ শর্মা, কাসেম আলী-না লুচিংদুনা চৎখিবা মখোয়বু ফা-পুন্দুনা খাংঙমদ্রবা অওয়াবা পিখি। মতুংদা থোক্কদবা মহৈ খংদবনা জমিদার চাল্লবা মৈদা ঘি হৈখি। মথংদদি জমিদারগী নায়েব নাচিংবা মীশিং চথোক-চৎশিন তৌবা ঙমদ্রে। অফংবা-অউবা মফমদা মৈতৈ প্রজাশিংনা লম্মনখুম্বা শক্তুনা ফুবা-হাৎপা হৌখি।

জমিদার কাংলুপ্না খুল্লক লৈকায়দা শামু পুথরক্তুনা য়ুমকৈ থুগাইদুনা খম- থেংনা ওৎনৈবা হৌরক্লে। মৈতৈ ময়ামশু চৈ-থাং পায়দুনা মতিক চানা পাউখুম পিখি। অদুদা জমিদারগী মীওৎনবা অথোইবা খুৎলাই মী-শা ওইরবা নায়েব রাজবিহারী

দাস মথওয়ায় মাংখি। জমিদার কাংবুনা মৈতৈশিংবু ঙমবমখৈ নমথনবা হোৎনবা অরেম্বা নত্তনা করিশু কান্নখিদে। অশুমতৌনা ভানুবিল নোংমা নোংমগী লৌমীশিংগী তমথিরবা অমদি ঈ-নায় তৈরবা পিক্লবা লানফম অমগুম ওইখি। শতাব্দীগি অহুম শুবা তাংকক্তা মৈতৈ লৌমী ময়ামনা জমিদারগী মায়োক্তা লানথেংনবা অমসুং অপুম্বা ভারতকী নীংতম লানগী ঈচেলগা পুনখিদুনা অনৌবা শক্তম লৌখি।

ইং শোক ১৯৩১ গী থৌদোকনি। মৌলভীবাজারদা শহরদা ওয়াঙাং থৌরবা জ্ঞানরঞ্জন নিয়োগীনা সভাপতি ওইদুনা কংগ্রেস সুরমা ভ্যালীগী মিতিন অমা ফমখি। মীতিন ফমলিঙৈ মতমদা দ্বারিকা গোস্বামী অমসুং ইচং থৌরবা নেতা কয়ানা ভানুবিল মৈতৈশিংগা চত্তুনা ওয়াকৎলুই। নিংতম ইহৌগী কল্লবা ঈচেলদা জমিদার অমসুং সরকারগী মীনা মরাল লৈজদ্রবা প্রজাগী মথক্তা ওৎ নৈবগী অওয়াবা ওয়ারোল থাংগৎলম্মি। কুলাউড়া বিদ্যামন্দিরগী থৌপুবা কংগ্রেস নেতা পুর্নেন্দু সেনগুপ্ত, নিকুঞ্জ বিহারী গোস্বামী অমসুং মৈতৈশিংগী মরক্তা বৈকুন্ঠ শর্মা, রূপচাঁন সিংহ, কৃষ্ণমনি সিংহ, গিরিন্দ্র সিংহ, কাসেম আলী মখোই অসিনা চিংবা ময়াম্ন লুচিংদুনা আন্দোলন্দা অকম্বা শরুক লৌখ্রে। দু'ঘর মৌজাদা লৈরিবা ময়াম পুম্বা অচুম্বা অমসুং গান্ধীজিগী অহিংসা মন্ত্রদা দীক্ষা লৌদুনা খোংফম লেংদনা লৈখি। সরকারগী অহাম্বা ওইনা শরুক ওইনা পূর্নেন্দ্র সেনগুপ্ত, বৈকুন্ঠ শর্মা মখোয়তসু নত্তনা ময়াম কয়া সরকারগী কৈশুমশংদা চংখি। ভানুবিলগী খোল্লাও অসি উপমহাদেশ শিন থুংখ্রে। কংগ্রেস নিংতমলানগা ভানুবিল লৌমীশিংগী আন্দোলনগা পুনখিদুনা অমত্তা ওইখি।

ভানুবিলগী লৌমীশিংগী মথক্তা তুজুং পোকপা চৈরাক্কী ওয়াফম অসি কলিকাতাগী মীতিন মীতিন খুদিংমক্তা ওয়াকৎপা হৌখ্রে। বিলাতকী পার্লামেন্ট লেবার পার্টি সরকারগী বিরোধী পাটিনি। পাও অসি তাবদা মীয়াম খুদিংমক ঙক্লখি। থৌদোক অসি খংনবগীদমক বিলাত্তগী মখোয় মী অহুম লাক্লম্মী। মিস্ উইল কিনসন, এমপি, বিট্রিশ লেবার পার্টি, ভারতকী কৃষ্ণ মেনন অমসুং সোরোজিনি নাইডু মখোইশিংনা ভানুবিলদা লাক্কুনা সরেজমিন তদন্ত তৌখি।

ইং শোক ১৯৩৩কী লোয়রকপদা কৈশুমশংদা লৈবা ময়াম পুক্লমক থাদোকপীরে। অদুবু ভানুবিলগী দাবিদি ফংদ্রি। তৌইগুম্বশু অমুক হন্না আন্দোলন হৌনবা থৌরাং লৌবদা সরকারগী খরা খন্ননিঙাই ওইখি। লৌমিশিংশু নিংহন্নখিদে, নুপী-

নুপা খায়দনা আন্দোলনগীদমক অমত্তা ওইবা খোল্লাওগা লোয়ননা কোইনা চৎপা হৌরক্লে। অদুগী মনুংদা বৈকুণ্ঠ শর্মাগী মচানুপী চহি তরাতরুক্তা শুজরিবি জোওয়ান অফ আর্কগুম্বা লীলাবতিগী (লৈহাও) মচিনদগী মৈ হৌরবা ওয়াঙাং তাবদা ভানুবিলগী মিয়াম পুম্নমক নিংহন্নবা লৈতনা অনৌবা পাঙ্গলগা লোয়ননা সরকারগী মায়োক য়াবা হৌখ্রে। মৈতৈ প্রজাশিংগী লেমজনিঙাই অমদি চাওথোকনিঙাই লীলাবতিনি। সরকারগী খুদোং চাবা ফংলদুনা ইং শোক ১৯৩৫কী শাসনতন্ত্র লাউথোকত্রিঙৈ মমাংদা শ্রীহট্ট প্রজাস্বত্ব আইন পাশ তৌখি। প্রজাস্বত্ব আইনদা ভানুবিল লৌমীশিংগী দাবি কয়াতং লৌখৎখি। মতুংদা মৌলভীবাজার মহকুমাগী হাকিম মিস্টার দাউসোনগী মতমদা ভানুবিলগী খাজনা হেনগৎখিবা অমুক হন্না লিকথহনখি।

সাহিত্য অমুসং সংস্কৃতি : ১৯৭১ ইংদা বাংলাদেশ ওইরবা মতুং খজিক খজিক সাহিত্য চর্চা হৌগৎলে। শৈরেং ওয়ারীমচা ইনরবসু ফোংবগী খুদোং চাবা লৈরমদে। ১৯৭৫ইং বাংলাদেশ মনিপুরী সাহিত্য সংসদনা দীপান্বিতা ফোংলবা মতুং মীওই কয়া শৈরেং ওয়ারীমচা ইনরকখি। মদুগী মনুংদা শিংথাবা য়াবদি খোইরোম ইন্দ্রজিৎনী। মহাক্কী লাইরিক অনি ফোংলে– 'ইন্নফি' শৈরেংগী লাইরিকনি-২০০৫ অমসুং 'মচু নাইবা মঙ' ওয়ারেংগী লাইরিকনি-২০১০। পুং য়ৈবা ঈশৈ শকপা মরাং কায়না লৈরম্বনা মতমদা খুবাক ঈশৈ পালা পুবি শক্করম্মি। অদুদগী 'দি ভানুবিল ড্রামা পার্টি' লিংখৎঙৈদগী ঙসি ফাওবা চহিগী লীলা অমত্তা ওইরবসু মীয়ামদা খুদোল তমদুনা লাক্লি। পুঙ-ঈশৈদা-লৈরম্বা ওজাশিংদি মিং ওইনা পল্লবদা-পুঙদা-কৈশাম গৌড়হরি, নাওসেকপম পাকা, হামোম গোলামজাত, খোইরোম আমুজাউ, ঈশৈদা- থাংজম নব, সরোখাইবম গৌরী পুখ্রমম তমাল, থৌনাওজম বিন্দো।

**শকনাইবা মীওইশিং :**

**বৈকুণ্ঠ শর্মা :** চাওরকপা ১৮৭৫ইং অদুওয়াইদা ইনাক-কৈরাক খুন্বা ব্রাহ্মনগী ইমুংদা পোকপনি। রাজনীতিদা মথওয়াই য়াওবা মীওইনি। আলী আমজদ জমিদারনা ওৎ নৈবগী মতমদা ফজনা মায়োক্লখি। মহাক্কি শুমাংদা শন্না চৎপদা ময়াংশিংদি মকোক্তা পে তুপ্নদে, মখোংদা খোংগুপ তোংদনা মখুৎনা পায়দুনা চৎনৈ হায়না হায়নরম্মি। ভানুবিলগী লৌমীশিংগী ইহৌদা লুচিংদুনা মায়োক য়ারম্মি। ভারত পাকিস্তান নিংতম্লবা মতুংদা পাকিস্তানদা লৈনিংদবগী ১৯৫১ইংদা কৈলাশহরগী গুলধারপুর হায়বা খুঞ্জাদুদা চহী অমা লৈরম্লগা মথংদা করিমগঞ্জ

জেলাগী হিংগারী খুঞ্জাদুদা সানাজাওবী/সাবিত্রী শর্মা মচানুপী অহলগীদা লৈরম্লগা ১৯৫৫ ইংদা লাইগী খুয়া তানখি।

**য়ুন্নাম কৃষ্ণচন্দ্র :** ১৮৯০ইংদা আগরতলা শহরগী ধলেশ্বর মনিপুরীপাড়াদা পোকপনী। আগরতলাগী উমাকান্ত একাডেমীদা ক্লাস নাইন তম্লিঙৈদা অহল-লম্মন লৈখিদবনা মখা অমুক লাইরিক তমথবা ঙমখিদে। সংসারগী অওয়াৎ-অপা মেন্নবা হোৎননবা ত্রিপুরাগী নিংথৌ বীর বিক্রম মানিক্যগী রয়েল লাইব্রেরীদা লাইব্রেরীয়ান অমা ওইনা থবক তৌবা হৌখি। নোংমদি নিংথৌ মচানুপাগা মরৈ অমদগী নুঙাইনদদুনা থবক থাদোকখি। খরনি লৈরগা ত্রিপুরাদা লৈররোই হায়না ১৯২১ইংদা ভানুবিলদা হোৎলকখি। মনিপুরীনা লৈবা মফম খুদিংদা খাইদগী ইহান-হান্বা সংস্থানদি ভানুবিলগী চৈতন্য সমাজনি। ১৯২৫ ইংদা লিংখৎলগা চহি অহুম ফজনা চথরবা মতুংদা আনী তৌনদুনা চহি তরেৎ লেপ্লুরবা মতুংদা ১৫.১০.১৯৩৬ খৃ. (২৯.০৮.১৩৪৩ বাংলা) য়ুন্নাম কৃষ্ণচন্দ্রনা হোৎনবদগি হৌজিক ফাওবা হিংদুনা লৈরী। সংস্থান অসি হৌবদগীনা পুন্সি মতোন লোম্বা ফাউবা সেক্রেটারিগী ফম পুরম্মী। ১৯৩৪ইংগী ৩০মে থাদা নিখিল হিন্দু মনিপুরী মহাসভা লিংখৎখি, জননেতা হিজম ইরাবতনা হোৎনদুনা। মতমদুদা ভানুবিলগী য়ুন্নাম কৃষ্ণচন্দ্র অমসুং কৈশাম বাসুদেব সিংহ মহাসভাগী মেম্বার ওইরম্মী।



কৃষ্ণচন্দ্র সরকারি প্রাথমিক বিদ্যালয়



CamScanner

২৬.০১.১৯৩৬ইংদা শিলচর তারাপুর মাগুবতা নুমিৎ মরিনি চুপ্পা ফমখিবা অধিবেশনদা য়ুন্নাম কৃষ্ণচন্দ্রনা লুচিংদুনা শ্রীহট্টদগী (সিলেট) ডেলিগেট ৪০ (নিফু) অধিবেশনদা শরুক য়ারুই। নুংথিল পুং ৩.০০ তাবদা নির্বাচনী সভা ফম্মি, শ্রীহট্ট ভানুবিলগী শ্রীযুক্ত য়ুন্নাম কৃষ্ণচন্দ্র সিংহনা সভাপতি ওইদুনা অয়ুক খন্নখিবা বিষয়গী মখা বিষয় অয়াম্ব খন্নখি। নিখিল হিন্দু মনিপুরী মহাসভাগী থৌপুবা ফুরুপকী সদস্য ২০ (কুন)গী মনুংদা শ্রীযুক্ত য়ুন্নাম কৃষ্ণচন্দ্র সিংহসু অমনি। মহাক খরনি লৈরগা য়েনশমম নিঙোল তোমচা দেবীগা লু-হোংদুনা য়ুম পাল্লবা মতুংদা নুপা মরি, নুপী অমাগী পন্থৌ ওইখি। মহাক বিশিষ্ট শিক্ষানুরাগী অমনি। মহাক্ন হোৎনদুনা ১৯২৫ ইংদা চৈতন্য সমাজ কৌবা মরুপ অমা লিংখলম্মি। মথংদা ১৯৩০ ইংদা কৃষ্ণচন্দ্র প্রাথমিক বিদ্যালয় লিংখৎলম্মি। কমলগঞ্জ হাইস্কুলগী ম্যানেজিং কমিটিগী সদস্য ওইরম্মি। লোয়ননা নিখিল মনিপুরী মহাসভা (মনিপুর) গী সদস্য ওইরম্মি। মহাক জননেতা হিজম ইরাবতকা চান্নবা মরুপ ওইরম্মি। মহাক্ন হোৎনদুনা ঈশিং থক্লনবা খুদোং চাবা লৈতবদুদা সরকারদগী শেন্থাং কায়থোকহল্লগা খুলগী ময়াইদা পুখ্রি অমা তৌহনলম্মি। মদু হৌজিকসু সরকার পুখ্রি হায়না খংনরি। লক্ষ্মী নারায়ন আখড়াগীসু ওইবা, মীয়ামনসু শিজিন্নবা য়াবা অদুনা খুল ময়াইদা তৌহম্বনি। মহাক ১৯৪২ ইংদা নোংগাখি।

**লীলাবতি :** ভানুবিল খুঙ্গাশি য়ুমকোক অনিখক্লা খুন্দাবা হৌরবশু মতম্মদা মপুং ফানা লৈরম্মী। খুঙ্গাগী অওয়াং চিদাইদা হাজারী ময়ুম বৈকুণ্ঠ শর্মাগী ময়ুমনি। হায়রিবা ইমুংসিদা পোকখি, বৈকুণ্ঠ শর্মাগী অহুম শুবা মমোমলোই লৈহাউ শর্মা (লীলাবতি দেবী)। নুমিত্তু ইরাই নুমিৎনি। তারিখনা ২২শে ফাল্গুন ১৩২০ বাংলা, ৬ই মার্চ ১৯১৪ইং। মতমসিদা ভারতকি নিংতম লাল অমসুং পৃথিমপাশাগী জমিদারনা ওৎ নৈবগী মতমনি। অঙাং ওইরিবি লীলাবতি লাইরিক তম্বগী খুদোংচাব ফংখিদে। অনকপদা স্কুল লৈতবনা। পিক্লিঙৈদগী হৌন রাজনীতিগী ওয়ারিতা তানা লাক্লবা লীলাবতিনি। অঙাংশিংনা সান্নবা মতমদা খৎনা চৈনবা থোক্লবসু মহাক্ন থেমজিন্দুনা লোইশিল্লি। পুংকক চাউরবা মতমদা মপাবুং বৈকুণ্ঠ শর্মানা থেন্না রানীর বাজার মধ্যবঙ্গ বিদ্যালয়দা (মিডিল ভার্নিকুলার স্কুল) থারম্মি। মহাকসু উচিন-নাচিন্না তৃতীয় মান ফাওবা তমহৌই। লাইরিক য়াম্না তম্বাঙকসু নত্তে, মহাক্কী শিক্ষাগুরুদি মপাবুং বৈকুণ্ঠ শর্মানি। মপাবুংনা চৎপা খুদিং পু-পুদুনা চৎপনা রাজনীতিদা লাকপদা থোইদোক্লা অওয়াবা ওইহনখিদে। অয়াম্ব

মিটিং খুদিংদা অঙাং ওইরিবি লীলাবতি ওয়া ঙাংবগী খুদোং চাব ফংখি। অঙাং ওইবগী খুৎলোকপী শান্নবা, চাকথোংবী শান্নবদা কয়া খোইজংদে, মশক মতৌ য়াম্ন ফজে। মী'না য়াম্না নুংশিবা মতমনি। বুদ্ধি লৌশিং য়াম্না লৈ হায়নৈ। ১৯২৫-২৬ ইংগী অদুওয়াইদা নোঙমদি জমিদারগী মীনা খাজনা খোম্বা লাকপা মতমদা খাজনাগী থোকপা শেনফম পিথোকখ্রবদা চেনিং লৌদবদা মহাক্ন মপাবুংদা হংখি- খাজনাগী রসিদ পিদ্রিবা করিগীনো? অদুদা মপাবুংনা হায়রকই- য়েরা, পিখিবা খাজনাবু ফংদে হায়বা হৌনব্রা?

জাতীয় কংগ্রেসকী অফাওবা লুচিংবাশিংগী মনুংদা বৈকুণ্ঠ শর্মাসু অমনি। মহাক্ন শিনলাংদুনা কংগ্রেসকি সভা অমা ১৯৩০ইংগী নভেম্বর থাদা ভানুবিলদা পাংথোক্লবা হোৎনরম্মি। শ্রীহট্ট জেলাগী কংগ্রেস লুচিংবা শ্রী পুর্ণেন্দু সেনগুপ্ত, শ্রী আশুতোষ ভট্টাচার্য অমসুং সরলাবালা দে-নচিংবা ময়াম অমা লাক্লম্মি। ভানুবিলদা মীফম অমা ফমগদৌরি হায়বা উত্তরগাওদা পুলিশ ফাড়িদগী ইনচার্জ আবীর সিংহনা (পাথারকান্দিগী লৈমনাইনি) পাও থাখিবনা মৌলভীবাজারগী



শ্রী লীলা বতী দেবী

পোকপা : ৬ মার্চ ১৯১৪, নোঙ্গাবা : ২৭ নভেম্বর ১৯৯২



CamScanner

মহকুমা প্রশাসকনা আর্ম পুলিশ থারক্কুনা সভা থুগাইনবা হোৎনখি। পুলিশনা লাঠি চার্জ হৌরবদা অয়াম্ব নেতাশিং অশোক-অপন য়াওখি। সভা মফমদুদা নুপি অঙাং লাইশং মাম্ভব খাক্তনা ওৎনৈবা তৌখি। জ্ঞান-মেন তাদনা লৈরিঙৈ মতমদুদা ঙসিগী সভা কাইখিবা তারে হায়দুনা লীলাবতিনা কংগ্রেসকী ফিরান অনি খুৎ অনিদা পাইরগা "বন্দে মাতরম" হায়না লাওরকপা মতমদা নাহেদুনা লৈরম্বা মীওই পুন্নমক অমত্তা ওইবা খোম্হোক্তা খুম্লকখি "বন্দে মাতরম" হায়না। পুলিশশিংদু ঙহাক খঞ্জানদুনা লৈ, পুলিশশিংসু মখোইগী পুলিশ ফাড়িদা হনখ্রে। অসোমদনা বৈকুন্ঠ শর্মানা সভাপতি ওইদুনা সভা হৌখ্রে। সভাদুগী প্রধান বক্তাদি লীলাবতিনা ওইখি। লীলাবতিনা ময়ামবু খুরমজরগা জমিদারনা ওৎ নৈবগী ওয়ারী লিবা হৌরকই– খাজনা অনা তরাদগী লুপা অমা মখাই য়ৌবা অদুদগী অমুক লুপা অমা মখাইদগী লুপা অনি মখাই য়ৌনা হেনগৎপা খাজনা লৌনা-লৌনা লৌদে হায়বা, মথংদা মীখাপোন্না করি কান্নে হায়বা। জমিদারগী নায়েব রাসবিহারী দাসনা শামু পুরক্কুনা মৈতৈ প্রজাশিংগী য়ুম থুগাইবা অদুদগী খাজনা ফংনা-ফংনা ফংদে হায়বা, তাইশিন্নবা হায়রগা ফাজিন্দুনা থম্বা অদুবু রাসবিহারীদি মাগী ফংফম থোকপা শাস্তি ফংখ্রে। অদুদগী জমিদার আলী হায়দারদি মতিক চাবা লম্মন খুমগদবনি হায়না হায়রগা বন্দে-বন্দে মাতরম, বন্দে-বন্দে মাতরম হায়না কন্না কন্না লাউরকখি। শামু তরেৎ নিপান পুথরক্লগা য়ুম থুগাইনবা হোৎনবা মতমদা মৈতৈ প্রজাশিংনা পুং-মাঙ্গং শেমবুঙ য়ৈদুনা শামু তাইখায়বগী ওয়ারী। মহাক্ক ওয়া ঙাংলিঙৈদা "বন্দে মাতরম" তোয়-তোয়না লাউরকখি। অদুদা লাক্লম্ব সাংবাদিক অমদি নেতাশিং লীলাবতিগী ওয়াঙাং তাবদা পুংঙক ঙকখি। মরমদি চহি তরাতরুক্তা সুরিবি মহাক্ক অদুম্না ওয়া ঙাংলক্কনি হায়বসি কনানসু থাজরমেদে। লীলাবতিগী ওয়ারীনা মতম লেন্নরম্মী। ব্রিটিশ পার্লামেন্টা য়ৌখিরম্মী। ব্রিটিশ পার্লামেন্টতা নৈনরবা মতুংদা ব্রিটিশ লেবার পার্টিশিংনা মখোইগী মনুংদগী এমপি মিস্টার উইল কিলসন, অদুগা লোয়ননা ভারতকী কৃষ্ণ মেনন অমসুং সোরোজিনি নাইডু মখোই অহুম ভানুবিল সরজমিন তদন্ত তৌখি। তদন্ত তৌবা লোইরগা লীলাবতিগা ওয়ারী শান্নরা মতুংদা মিস্টার উইল কিনসননা লীলাবতিদা হায়রম্মি– নঙদি জোয়ান অব আর্ক'নি হায়না। মনিপুরীশিংগী তমজনিঙাই মশকনি। লীলাবতিগী ওয়ারী মালেমশিন থুংখি। অদুদগী জমিদার আলী হায়দার খাঁ'গী কেস অমদা চহি অমা জেলদা লৈবা তাখি। আগস্ট ১৯৩১ইং দগী জুলাই ১৯৩২ইং ফাউবা সিলেট

This is to certify that Srimati Leela Debi daughter of Sri Baikunta Nath Sarma of Bhanubil fame is known to me. She was an inspiration to many civil resisters due to her bold stand and her sufferings while she was thirteen years she was arrested along with her father during C.D. movement. Considering her age she was allowed to be free after executing a bond which she flatly refused and was jailed for a long period. She continued to be a Congress Worker for a long time. She was also one of the Organisors of the grand spinning demonstration while Pandit Nehru visited Bhanubil area.

Dated
7. 3. 56

Purnendu Kishore Sengupta

( Purnendu Kishore SenGupta
Karmibhawan, Kulaura
Sylhet.

Rajkumar Kamaljit Singh
MEMBER
TRIPURA LEGISLATIVE ASSEMBLY
AGARTALA.

Dated 18.3.66

This is to certify that Srimati Lilabati Devi W/O Sri. Sarada Bhattacharjee formerly resident of Bhanugil Dt. Sylhet at present residing at Radhanagar, Agartala is known to me. She was detained in Central Jail, Sylhet from August 1931 to July 1932 for about 11 months in connection with peasants movement. Her father was also arrested in that time. Considering the sufferings for the cause of the country she deserves help from all concerned

[signature]

Member.

সেন্ট্রাল জেলদা তাখি। শ্রীহট্ট জেলদা চংদ্রিঙৈ মমাংদা জেলা ম্যাজিস্ট্রেট অমসুং জেলগী জেলারনা অঙ্গিকারনামা অমা পিখিরম্মী। অঙ্গিকারনামা'সিদা ইরিবা মরোলদি– কৈদৌঙৈদা জমিদারগী মায়োক্তা ওয়া ঙাংলোই। বিট্রিশকী বিরোধীতা তৌরোই। মরমদি নুপি মচাগা ওইবনে, প্রাপ্ত বয়স্ক ওইদবনে, নঙবু জেলদগী মুক্তি পিগনী। চেদু লীলাবতিনা ফজনা পারগা মরোলদু খংলগা কুপ্না সেগাইরগা ম্যাজিস্ট্রেট অমসুং জেলারগী মমাইদা লংশিনখি। মীখাপোন্না লৈববুদি জেলদা লৈবনা হেন্না ফৈ।

জুলাইগী ১৯৩২ইংদা জেলদগী রিলিজ ওইরবা মতুংদা ভানুবিলদা মোইথাপ নাইবগী গ্রুপ অমা সেমগৎলম্মী। ১৯৩৭ইংদা জওহরলাল নেহরুনা ভানুবিল কোইরকপদা মহাক্কী সংগঠনদু য়াম্না ফজনা থাগৎলম্মি। ১৯৩৫ইংদা শারদা ভট্টাচার্যগা লু-হোংলবা মতুংদা মতম কুইনা ভানুবিলদা লৈরম্মি। নিপা অহুম নুপি অনিগী পলেমনি। ১৯৫১ইংদা সারদা ভট্টাচার্যগী ময়ুম রাধানগর, আগরতলাদা চৎখি। ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা লিংখৎলম্বা রাধামাধবকী আখ্রাদা লৈদুনা রাধামাধবপু সেবা তৌদুনা লৈরম্মী। ১৯৭২ইংদগী ফ্রিডম ফাইটার অমসুং পলিটিকেল সাফারারনি হায়দুনা ভারত সরকারদগী থা থাগী লুপা লিশিং অনি ভাতা ফংখি। লীলাবতিনা আগরতলাদা লৈরিঙৈদা রিপাব্লিক ডে অমসুং স্বাধীনতা দিবসকি সালামী কুজ কাওয়াজ ওকপগী থৌরমদা শরুক য়ারম্মি। ২৭.১১.১৯৯২ইংদা লীলাবতিগী পুন্সি লীলা লোইখি। রাষ্টীয় মর্যাদাদা সংস্কার তৌখি।

**য়েনশমম মধুমঙ্গল :** মহাক হিন্দু লাইনিং লিচৎকা মরি লৈনবা মহৈদা নবম তীর্থনি। অহান্বদা তেতইগাঁও পাবলিক হাই স্কুলদা পন্ডিত ওইরম্মি। মথংদা শ্রীহট্ট সংস্কৃত কলেজকী প্রফেসার অমসুং রাজা গীরিশচন্দ্র হাইস্কুলগী হেড পন্ডিতসু ওইরম্মি। ভানুবলি স্বারস্বত টোলগী প্রিন্সিপাল ওইরম্মি। মহাক কুঠি ইবা অমসুং বিচারদা অফাওবা অমা ওইরম্মি। ১৯৮২ইংদা তাইবানপান থাদোকখি।

**লাইশ্রম শশীকুমার :** ১৯৫৯ইংদা ভানুবিলদা পোকখি। প্রাইমারী থাকতি কৃষ্ণচন্দ্র সরকারি প্রাথমিক বিদ্যালয়দগীনি অদুগা হাইস্কুলনা তেতইগাঁও রসিদ উদ্দিন উচ্চ বিদ্যালয়দগী, ১৯৭৫ইংদা মেট্রিক সেকেণ্ডিভিশন্দা পাস তৌখি। ১৯৭৭ইংদা উচ্চ মাধ্যামিক পরীক্ষা সিলেট সরকারী কলেজতগী সেকেন্ডিভিশন্দা পাস তৌরকখি। মথংদা ১৯৮২ইংদা চট্টগ্রাম বিশ্ববিদ্যালয়দগী বিএসএস(অনার্স)

অমসুং ১৯৮৪ইংদা এমএসএস পাস তৌরকই। লোয়ননা বাংলাদেশ সিভিল সার্ভিস (বিসিএস) ওইরকখি। শিনফম হৌবনা ১৯৮৬ইংদা কিশোরগঞ্জ জেলাগী জেলা প্রশাসককি অফিসতা এসিট্যান্ট কমিশনার ওইনা থবক হৌই ১৯৮৮ ফাওবা লৈরম্মি। ১৯৮৮ইংদা ঘাটাইল উপজেলাদা এসিসট্যান্ট কমিশনার ফাইন্যান্স অমসুং ম্যাজিস্ট্রেট ওইখি। ১৯৮৯-৯৩ ইং ফাউবা মানিকগঞ্জ জেলাগী শিবালয় উপজেলাদা প্রথম শ্রেনিগী ম্যাজিস্ট্র্যাট ওইখি। ১৯৯৩-৯৭ইংদা গাজিপুর জেলাগী প্রথম শ্রেনিগী হাকিম ওইনা থবক পুরম্মি। ১৯৯৭ ইংদগী ১৯৯৮ ফাওবা ঢাকা ওয়াসাগী ম্যজিস্ট্রেট ওইনা লৈরম্মি। ১৯৯৮ইংদগী লক্ষীপুর জেলাগী রামগতি উপজেলা, নোয়াখালি জেলাগী সেনবাগ উপজেলা অমসুং চাঁদপুর জেলাগী শাহরাস্তি উপজেলাদা নির্বাহী অফিসার (ইউএনও) ওইনা ২০০১ ফাউবা থৌ পুরম্মি। মথংদা ২০০১ইংদগী ব্রাহ্মণবাড়িয়া অমসুং হবিগঞ্জ পৌরসভাগী প্রধান নির্বাহী কর্মকর্তা ওইনা ২০০৩ ফাওবা থৌ পুরম্মি। ২০০৩ ইংদগী মাদারীপুর জেলাগী অতিরিক্ত জেলা প্রশাসক (সাধারণ) ওইনা ২০০৬ইং ফাউবা লৈরম্মি। মথংদা বাংলাদেশ লোক প্রশাসন কেন্দ্র, সাভার ঢাকাদা ডেপুটি ডাইরেক্টর ওইনা ২০০৬-২০০৭ ফাউবা লৈরম্মি। অদুদগী অমুক ২০০৭ দগী মাদারীপুর জেলাদা জেলা প্রশাসক (ডিসি) অমসুং ডিস্ট্রিক ম্যাজিস্ট্রেট ওইনা ২০১১ ফাওবা থৌ পুরম্মি। ২০১১-২০১৪ ফাওবা যুগ্ম-সচিব ওইনা রেলপথ মন্ত্রনালয়দা থৌ পুরম্মি অদুগা হৌজিক হৌজিক্কা মন্ত্রাণালয়'সিগী এডিশনাল সেক্রেটারিগী ফমদা লৈতিংলি। মহাক নুপা অমা নুপী অমগী পন্থৌনি।

**খোইরোম লৈশেম :** মহাক ১.১ ১৯৮৮ইংদা ভানুবিলদা পোকপনি। দ্য বার্থস স্কুল এন্ড কলেজ'তগী প্রাইমারী অমসুং হাইস্কুল লোয়ননা কলেজ তমখিরম্মি। জিপিএ ৪.৭৫ ফংদুনা এসএসসি ২০০৪ ইং অমসুং জিপিএ ৪.২০ ফংদুনা ২০০৬ ইংদা এইচএসসি পাশ তৌখি। ২০০৮ইংদা বাংলাদেশ নৌবাহীনীগী কমিশন র‍্যাংকতা থবক হৌখি। হৌজিক লেফটেনেন্ট অমা ওইনা মিলিটারী ইনস্টিটিউট সায়ন্স এন্ড টেক্নোলজিদা বিএসসি ইঞ্জিনিয়ারিং ট্রেনিংদা লৈরি। পন্থৌনা বাংলাদেশকী শন্নাইরবা মনিপুরী কবি খোইরোম ইন্দ্রজিৎনি, পলেম ওইবীনা খোইরোম ওংবী চন্দ্রকলা দেবী য়ুম্বরেম্বীনি।

**ওয়ারোইশিন :** মৈতৈনা ফজদে হায়না লাপ্না ইন্থোক্না থম্লবা ফীজেৎ হৌজিক ফাওরবা মডেলশিংনা শিজিন্নরি। হায়বদি খাওন ওম্বা, ফীদোন হায়গৎনা শেৎপা



হিজম ইরাবত

পোকপা : ৩০ সেপ্টেম্বর ১৮৯৬, নোঙাবা : ২৬ সেপ্টেম্বর ১৯৫১

**LEAVING CERTIFICATE.**

# JOHNSTONE SCHOOL.

**MANIPUR STATE.**

Certified that Hijam ~~Irabot~~ Sinha

Son of Hijam Ibungahal Sinha an inhabitant of Moirangkhom Uriphal was in the V Class of the Middle School up to 17/6/13 and left with a good character. All sums due by him have been paid. He ~~has~~ (or has not) passed the Examination for promotion to the VI class. His age on leaving is believed to be 13 years and x months.

HW

Dated, Imphal, 18th June 1913

H. J. Prince
Head Master,
Johnstone School.

ফোন : ৭১১৯৯১৭

# পোগোজ স্কুল, ঢাকা

স্থাপিত : ১৮৪৮ ইং

৬ নং চিত্তরঞ্জন এভিনিউ, ঢাকা-১১০০

সূত্র :

তারিখ ৭.১.০৪

This is to certify that **Hizam Irabot Sinha** S/o. **Hizam Ibungohal Sinha** of Moirangkhom Imphal was a student of this school upto 1914. According to the record of the school he came in this institution with the certificate from **Johnstone School, Monipur** and was admitted in Class VI (Six) in this school in 1913 and he read upto Class VII (Seven) in 1914.

May he live long in our memory.

৭.১.০৪.

জাতিগী চাওখৎনবগী'দমক্তা হোৎনবদা খুদোংচাবা থোকই। অসিমক্তদা জাতিগী চাওখৎনবগী মরম ওইবা মহাসভা অসিগী সভাপতিগী ফমদা লেংশিনবিদুনা মনিপুরী অপাম্ববু অঙান্বগী লম্বীদা লমজিংবিরীবা মহামনিমানব মনিপুরেশ্বর মহারাজধিরাজ অমসুং প্রতিনিধি পুন্নমকপু স্বাগতকারী সভাগী ওইনা ননাই ঐনা হন্না হন্না ধন্যবাদ তৌজরি।

নূপী লানগী মরমদা ওয়া ঙাংবগীদমক ১৯৪০ইং জানুয়ারিগী তাং ০৫/০১/১৯৪০ইংদা ময়ুমদগী ফাদুনা পুখি। ইরাবত ফাবগী মতাংদা "চৈথারোল কুম্বাবা"দা অসুন্না ইরি– ১৭নি শগোলশেন্দা (তাং ২৮-১২-১৯৩৯) দুকান্দা চেঙ পুখৎলকপা গাড়ী ১৩ নূপীনা ফাদুনা স্না কোনুংদা পুখলকএ। ১৭নিদগী ২৫নি ফাওবা কৈথেল মুৎলে। ২৬নি ইরাইদা (তাং ০৫-০১-১৯৪০ইং) কৈথেল কায়এ। থাশি লৈপাক পোকপদা হিজম ইরাবত মেম্বরবু থানাগী সিফাইনা ময়ুমদগী ফায়এ। মানা নুপী ময়াম ঙাওহল্লি হায়দুনা জেলদা থমই (লামায়-৬৩২)। মহাক্কী বিচারগী মতাংদা চৈথারোল কুম্বাবদা পল্লি– ৪নি য়ুমশকৈশা (তাং ১৩-০৩-১৯৪০ইং) ইরাবতকী বিচার তৌএ লোইখিদে (লামায় -৬৩৩)। মথৎদা অমুক ১২নি পানবা শগোলশেন্দা (তাং ২১-০৩-১৯৪০ইং) ইরাবতকী বিচার লোইদুনা দরবারনা চহী ৩ ফাদোক পিএ। (Judgment read. Accused a seditious (H. Irabot) is found guilty of delivering a seditious speech U.S.I 24 A.I.P.C and sentenced to 3 years S.I. Vide M.S Darbar evil can No 4 of 1940 (লামায়-৬৩৩)।

ইম্ফাল জেলদা ইরাবত লৈবা তারবদি নোংমা নোংমগী ইমাইবেনশিং ইরাং কনখৎলক্কনি হায়দুনা বদলি তৌদুনা শ্রীহট্ট জেলদা থমই। মতমদুদা শ্রীহট্ট আসাম প্রদেশকী জিলা অমনি। মহাক্কা জেলদা লৈরিঙৈ মতমদুদা অরুনচন্দ্র, বীরেশ মিত্র অমসুং জ্যোর্তিময় নন্দী। খাইদগী অঙকপদি ইরাবতনা জেলদা চংবা মতমদা কংগ্রেসকী ওইনা থোরকপা মতমদনা কমিউনিষ্ট অমা ওইনা। কমিউনিষ্ট নেতাশিংগা নক্কনা ওয়ারীশাবা ফঙখি। মখোয়গী মাক্সীজমগী ওয়ারী তাবদা কমিউনিষ্ট অমা ওনখি। ইরাবতনা পাম্লমবদি চোয়না তারিবা মনিপুরীশিং অমত্তা ওইবা মিশিংদা পুরকপা। মদুসু পুরকপা ঙমখি। মহাক্কী নিখিল মনিপুরী মহাসভাদা ওইরম্লিবা সদস্যশিংগী মিং অমসুং লৈফম্না ময়েকশেংনা তাক্লি। মনিপুরীশিংনা খুন্দাদুনা লৈবা লমখুদিংগী মীওই খরতা ওইরবসু য়াওই। আসাম, ত্রিপুরা, বাংলাদেশ, ব্রহ্মদেশনচিংবা। হোৎনবা কনবা মীওইনা। শ্রীহট্টদা লাক্লগা

অয়াম্বা মতমদা মহাক ভানুবিলগী মহাক্কী মরূপ য়ুম্নাম কৃষ্ণচন্দ্রগী ময়ুমদা লৈরম্মী। মতমদু চাওরকপা ১৯২৫ইং দনি। অদুনা নিখিল মনিপুরী মহাসভাগী ৩০-০১-১৯৩৬ইংদা শিলচরদা ফমখিবা চহিগী মীফমদা সিলেট মাইকৈদগী ডেলিগেটর ৪১ শরুক য়ারম্মী। য়ুম্নাম কৃষ্ণচন্দ্রনা লুচিংদুনা মহাসভা য়াওরুই। ইতৎ-তৎতনা ভানুবিলদা লাকুম্মী হায়বসি য়ুম্নাম কৃষ্ণচন্দ্রগী লোয়নবী য়েনশমম চনু য়ুম্নাম ওংবী তমচা দেবীনা ওয়ারী শারম্মী। ইরাবতকী থৌশিনদগী ভানুবিলদা কৃষ্ণচন্দ্র সরকারী প্রাথমিক বিদ্যালয় হায়না ১৯৩০ইং লিংখৎলম্বা স্কুল অমা লৈরি। মনিপুরীশিং করম্না নিংতম্না হিংবা য়াগদবা হায়বসি মতমখুদিংদা খন্বা মীওই অমনি। ৫/৪/১৯৪৬ ইংদা নিখিল মনিপুর মহাসভা অমসুং মনিপুর প্রজা মন্ডল পুন্না সাবা সভা অমদা ওয়ারেপ লৌখি ৬ সুবা (ঘ) সভা অসিনা লেপ্পদি ভারত না স্বাধীন ফংলগা স্বাধীন ভারতকী মনুংদা মনিপুরসু মশানা ঙাকচবা মাগী শিক্ষা, সংস্কৃতি, অর্থনৈতিক, রাজনিতিনচিংবা চাওখৎনবা হোৎনজবা ঙম্বা অমসুং চীংগী ইচিল-ইনাও, মুসলমান ইচিল-ইনাও পুন্নমক্কা চপ্ মান্নবা অধিকার লৈবা, স্বাধীন মনিপুর রাজ্য ওইনা লৈবা মনিপুরগী মনাক কাছাড়নচিংবা লৈবা মনিপুরীশিংনা পাম্লবদি মখোয়না লৈবা লম্ অদু ফাওবা হায়রিবা স্বাধীন মনিপুর রাজ্যগী সীমানা মনুং চন্না লৈবা। অদুগুম্বা স্বাধীন মনিপুর রাজ্য অদুনা ভারতকী করম্বা প্রদেশতা লৈগদগে নত্রগা তোপ্না লৈগদ্রা হায়বনচিংবা লৈবাক্কা পাম্বা (গণভোটনা) মতুং ইন্না ওইবা। রিজ্যুলেশন অসিগী কপি অমা ভাইসরর আসাম লর্ট আসামগী মূখ্য মন্ত্রিদা থাখিবা লেপ্লরে।

সাহিত্যিক অমা ওইনা মহাক্না মনিপুরগী ইহান হান্না 'মৈতৈ চনু" কৌবা খুৎন ইবা চেফোং অমা পুথোকখি ১৯২২ ইংদা। ১৯৩৬ইংদা মহাক্না মনিপুরী সাহিত্য পরিষদ লিংখৎলি। ১০-১০-১৯৩৬ইংদা অহান্বা অধিবেশন ফমখি। মহাক্না ১৯৩৭-৩৮ইংদা জেনারেল সেক্রেটারীসু ওইখি। হিজম ইরাবতকী 'শৈদম শেরেং' (১৯২৯) অমসুং 'ইমাগী পূজা' থোইদোক্না শিংথানিঙায়নি। ইমাগী পূজা সিলেট জেলদা লৈরিঙৈ মতমদা ইবনি ১৯৪২-৪৩ইংদা। কলাকার অমা ওইনা হিজম ইরাবতনা ১৯৩০ইংদা মনিপুর ড্রামাটিক ইউনিয়ন হায়না সংস্থান অসি লিংখৎখি, ঙাংবম শ্যাম কিশোরগী ময়ুমদা। ১৯৩২ইংদা য়াইস্কুলদা শান্নখি 'সতি খোঙনাং' অমসুং 'অরেপ্পা মরুপ'। মতমদুগী মমিং চৎলবা ড্রামানী, য়েংবা ফংনদনা হন্নখিবা অয়াম্বনি। 'ইমা বাংলাদেশ'-না শিন্‌লাংদুনা ২০০৬ইংদা ১১০ শুবা মপোক কুমওনগা মরি লৈননা ইরাবত মুর্ত্তি অমা ভানুবিলদা খিনখি।

অদুদগী হন্দক চহি (২০১১) দা আগরতলাদা মঠ চৌমুহনীদগী চন্দ্রপুর য়ৌবা ফাওবা ইরাবত স্মরনি মিংথোন্দুনা জননেতা হিজম ইরাবত সিংহবু ইকায় খুম্নখি। ১৯৫০ইংদা মনিপুর কমিউনিষ্ট পার্টিবু নমথনবা কন্না হোৎনবা মতমদা য়ুমদা লৈবা য়াদবদগী বার্মাদা চংবা তাখি। মহাক্না হায়খিবা লৈ, মদুদি– Arms revolution is the last sources of independent হায়বা ওয়াখল্লোন্দা খুৎলাই পাইদুনা ১৯৫১ইংদা মনিপুর চঙকপা মতমদা মখোয় মশেন অমুক মান্নদবগী খুৎলাই পাইনখি। মদুদা ইরাবত থৌওয়াইনা পোন্থা ওইখি। ওয়াহৈশিংশি থৌনাওজম ইবোয়ায়মা (ইরাবত ফাউন্ডেশনগী সভাপতি) না ২০১০ইংদা ভ্রুনবিবলদা লাক্লম্বদুদা হায়রম্বনি। কনাগুম্বানা অনাবনা লৈখিদবনি হায়নৈ। চহি ৫৫ সিদা ইরাবতনা খোংদারমদবা মফম শিনফম অমতা ওয়াৎলমদে। মায়কৈ খুদিংমক্তনি। ১৯৫১ইং সেপ্টেম্বর তাং ২৬তা মহাক্কী চহি ৫৫গী লীলা লোইখি। তাংবো খুলদগী ফুট ২০০রোম চৎলগা তাংবো তুরেল লৈ। তাংবো খুল অসিগী মতাই ওইরপ্পা হিজম ইরাবতনা নুমিৎ খরনি লৈরম্বা য়ুম লৈ। তাংবো তুরেলগী য়েৎ থংবা খোংবান্দা (লৈঙোয় লম্) হিজম ইরাবত পোৎলোইখিবগী মফম লৈ।

মতেং লৌখিবা লাইরিকশিং


১. চৈথারোল কুম্বাবা, সম্পাদক–এল ইবুংহল অমসুং এন খেলচন্দ্র সিংহ।

২. 'হিজম ইরাবত সিংহগী পুন্সি অমসুং মহাক্কি সাহিত্য'– এল কৃতমালা।

৩. ইচেম্মা ভলিয়্যুম ১৩, নং-২, জুলাই ২০১১ইং, ইডিটর-ড. ফুরিৎশাবম বীরমনি।

৪. নিখিল হিন্দু মনিপুরী মহাসভা, খোমজিন্বা শ্রীলোইতাম য়াইমা সিংহ অমসুং শ্রীমাইপাক সানা সিংহ, মনিপুর।

# বাংলাদেশতা মনিপুরীশিংনা খুন্দারকপা

বাংলাদেশতা মনিপুরীশিংনা করম্বা মতমদা লাকখিবনো হায়বা চপচাবি অরেপ্পা মতম অকক্লবা চৈথারোল কুম্বাবা অমসুং অতৈ অতৈ ইতিহাসতা ফংনদে। হৌজিক বাংলাদেশতা খুন্দাদুনা লৈরিবা মৈতৈ/মনিপুরীশিংনা মনিপুরদগী খুন্দারকপসি চহি চামরিরোম ওইগনি। মরমদি চৈথারোল কুম্বাবদা অসুম্না ইরি 'থাওদৈমজম নুয়াম্বগী কুম শক ১৫২২ (১৬০০ খৃ.) মৈদিংঙু খাগেম্বা হি তোংএ। ... ময়াং পলেন শাই এ। ইবুংঙো সেরেমঙম্বা লমথোকএ। লাইতোংবম তাউপুং আগী কুম শক ১৫২৩ (১৬০১ খৃ.) ইতোক নাদুনা হতওয়ানথেম পাঙন শিএ। শম লোইবনা উহোংএ ময়াং পলেন শাইএ। মথক্তা হায়রিবা মতমসিদা মনিপুরদা ময়াং চংবা হৌরে। মনিপুরীংসু মপান থোকপা হৌরে হায়না লৌবা য়ারে। মরমদি মতমদুদা মৈদিংঙু খাগেম্বগী মনাও ইবুংঙো শানোংবগা হি কাইবগী খরা নুঙায়নদনা লৈবদগী শানোংবগী কাংলুপ্না ময়াংগা খুৎ শান্নরগা ময়াম্বুংগী মথক্তা লান্দাখি। শানোংবগা লোয়ননা মনিপুরগী মপানদা থোরকপদা খরনা চিংথদুনা লৈহৌবা কাংবুসিনা ইহানহান্বা কাংলুপনি। মখোয়শিং হৌজিক সুনামগঞ্জ জিলাগী ছাতক থানাদা লৈরিবা পারুয়া (রতনপুর) খুনজাসিনি হায়না অহল লম্মনাশিংনা হায়নৈ। মনিপুরগী তোংজৈ মরিন ফাওনা কাছাড় মথংদা শিলং তারগা পারুয়া অসুম হায়নৈ। নাম্রম কাপোগী কুম শক ১৩২৫ (১৬০৩ খৃ.) তণে লাংলোং ঙমএ। ... ইবুংঙো শানোংবসু নায়াৎএ। ময়াংলৈমা নোশেননু সুং চংখিয়ে। হকওয়ানথেম খুনজাগী কুম শক ১৫২৬ (১৬০৪ খৃ.)। ময়াং লাক্তুনা চেকশাং মনাক্তা খানলে তৌরমএ। মৈদিংঙু খাগেম্বগা য়াখরেককা মেন্তা শরি শোননৈএ। ইবুংঙো শানোংবসু ময়াংনা খৈকিএ। হায়রিবা মতমসিদা শানোংববু নুংশিবা মীওই খরদি মনিপুর থাদোক্তুনা লাকখি। কাছাড়, তখেন,

বাংলাদেশতা মচিৎ মচিৎ শন্দোকখি। ‘হৈরাংখোংজোম মোনশাংগী কুম শক ১৫২৮ (১৬০৬ খৃ.) ইবুংঙো শানোংবনা চিংদুনা য়াংকোইরোমদা ময়াং লাকএ হায়দুনা চৎএ। লাইয়িংথৌ খাগেম্বনা ময়াং ঙমলৌএ। শানোংবসু খামলৌএ (মতমদুদা ভানুগাছ, ধামাই, বড়ইতলী, বিঁশগাওনা চিংবা খুনজাশিংদা শন্দোকখি। মদুদা ভানুগাছতা মৈতৈশিংনা য়াম্না মপুং ফানা শন্দোকপশি মহারাজ চৌরজিৎকী হাকতকতনি)। ওয়াকনপা হরিগী কুম শক ১৭১৪ (১৮১৯ খৃ.) । ৫নি লৈপাকপোকতা অওয়ালান শোকনবা হৌএ। ১২নি লৈপাকপোকতা লৈপাক কাইরে। শ্রীযুৎ মহারাজতি ময়াংলম ‘চেনখিএ’ হায়রিবা অওয়ালানসিদা মহারাজ চৌরজিৎ অমসুং যুবরাজ মারজিৎ মখোয় অনি লাকপা মতুং ইন্নরকপশিংনা ভানুগাছতা খুনজা ১৬দা শন্দোক্ল লৈখি। মহারাজ মচিন মনাও অনিসু পুন্সি লোইবা ফাওবা ভানুগাছকী রাণীরবাজারগী কোনুংদা মতম লেনখি। তৌবগীদি শানোংবগী হাক্তকতা লাকনবা হৌরবসু ময়াম মপুং ফানা লাকখিবদি চৌরজিৎ মহারাজ হাক্তক্ত অওয়ানা মনিপুর থুগাইবগী মতমদনি। অদুবু ইতিহাসতি লৈতে। খুদম ওইনা হায়রবদা ভানুবিলগী মনিং পরেং (কৈশাম লৈকাই) হায়না খঙনরিবা মফমসিদগী খরা নোংচুপ পাংনা চৎথরগা পুখ্রিমচা হায়না খংনবা অমা লৈরমই। হৌজিক্তি লৈতা মাননা লৌ উনখরে। চহি খরগী মমাংফাওবদা ঙা ফানরম্মী। হায়রিবা পুখ্রি ফিবানদুদা ইশাং শাংনা য়ুম অনীখক তারমই হায়না হায়নৈ। খুনজাসিগী অয়াম্বনা পুখ্রি অমা লৈরম্মী হায়বা খংনদ্রে, মনিং লৈকায়গী মীওই খরা নত্তনা। তৌবগীদি য়ুম অনিখক তারম্বগীদমক হৌজিক হৌজিক শিজন্নরিবা তহশীল অফিসতা মৌজাগী মীং ইবদা “দু’ঘর মৌজা” কৌরিবনী হায়না অহলশিংনা লিরম্মী। পুখ্রি মচাগী মপানদা ইশাং শাংনা তারম্বা য়ুম অনিখক্কুগী মথং মথং খুঞ্জা তরাতরুক শন্দোকখীবনি হায়নৈ। ইতিহাস হায়বসি মেনখৎপা শাগৎপা থিগৎপসিসু ইতিহাস ওইহল্লী। অদুগা সিলেটতা মনিপুরীশিংনা খুন্দারকপসি অয়াম্বানা মহারাজ গম্ভীর সিংহগী মতমদনি। চৈথারোল কুম্বাবা লামায় ২২৯দা অসুম্না ইরি– থিয়াম অনন্ত্রামগী কুম শক ১৭৫১ (১৮২৯খৃ.) ২২নি নিংথৌকাপতা শ্রীযুক্ত মহারাজ শিলোৎতা সায়েপনা খাহি নাপা ঙমতরে হাইনা তাক্কুনা লাল পাংপা চংখিএ। নবাব গোবনর ইস্কা সাহেপনা তুরেন মাপান তান্না থোক্কুনা শ্রী মহারাজপু ওকলমএ। শ্রীযুৎ মহারাজনা সাহেপ লোইননা খাহি নাপা চৎএ। তেখাও লৈপাকতা সাহেপনা শেমপা সিফাইগা মৈতৈগী সিপাইগা লময়েন্ননা লান চংহনএ। মৈতৈ সিফাইনা হান্না খুন থুকাইএ।”

খাহি নিংথৌ ফাতুনা সাহেপতা পিরমএ। মুসলমানকী লাইকী কুমৈকা রথ যাত্রা ফাংনরক্তুনা খৎনরকপতা মুসলমান্না হান্না তৌহনও হায়না সাহেপনা হাইরম্লপাপু শ্রীযুৎ মহারাজনা ঐনা হান্না তৌগনী হাইদুনা হিন্দু পুন্নমক্ল শ্রীযুৎ মহারাজ ধর্ম্ম ঙাকএ হাইদুনা থাগৎনৈএ। শ্রীযুৎ গম্ভীর সিংহ মহারাজনা খাসিয়াগা লান শোক্লবা মতমসিদা হৌজিক সিলেটকী মনিপুরী রাজবাড়ী হায়রিবা কোনুঙসিদা লৈরম্মই। লানগী লাক্লগা খরনা মনিপুরদা হনখিবা খরনা সিলেটতা খুন্দাদুনা লৈহৌবা মদুদগী মথং মথং শন্দোকখি। মতমদুদা মহারাজ গম্ভীর সিংহনা সিলেটতা লৈরিঙৈদা কোনুং গোবিন্দগী বিগ্রহ লিংখৎতুনা ইরাৎ পুজা হৌখি অমসুং মহাক্ল কৎলম্বা অচৌবা শরিক অমা হৌজিকসু লৈরি। মহারাজ গম্ভির সিংহ হিন্দু ধর্ম চৎলবসু মৈতৈগী লাইনিংথৌ সনামহীগী লাইশং লিঙ্খৎতুনা ইরাৎ থৌনি চৎলম্মি। হৌজিকসু মহারাজনা লাৎলম্বা সনামহীগী লাইশং সিলেটতা লৈরি। মহারাজনা কৎলম্বা লাইশং লমগী পরিমাণ ০.১০ একর। দাগ নং-১০৯৩, খতিয়ান নং-১৮৪।

# বাংলাদেশকী মনিপুরী খুঙ্গংশিং

বাংলাদেশতা মনিপুরীশিংনা খুন্দাবা হৌখিবসি মৈদিংঙু স্না হাক্তকতগীনি। মৈদিংঙু খাগেম্বনা পাল্লিঙৈ (খৃ ১৫৯৭-১৬৫২) মতমদা মনাও ইবুঙো শানোংবগী হী কাইবগী ওয়াথোক অমদগী মচিন-মনাও নুঙায়নবদগী শানোংবগা লোয়ননা মীওই খরা মনিপুরদগী থোরক্লগা ময়াং নিংথৌগী মতেং লৌরগা মনিপুরদা লান্দখি। মদুদগী অমা-অনি চিথহৌবা কাংবুদুনা বাংলাদেশতা খুন্দাবা হৌখি। হৌজিক্কি বাংলাদেশতা ইহান-হান্না খুন্দাবা হৌবসি পারুওয়াদনী হায়নৈ। মতমদুদি আসামগী শ্রীহট্ট জেলা হায়রগা খংনরম্মী। চখোক-চৎশিন তৌবদা থোইদোকপা অথিংবা লৈরমদে ১৯৪৭ইং ফাওবা। ভানুগাছতা খুন্দাবা হৌবসি মৈদিংঙু স্না হাক্তকতগী (খৃ: ১৮০৩-১৮১৩) হৌরে। সিলেটতনা হৌবসি মৈদিংঙু গম্ভীর সিংহ স্না হাক্তকতগী (খৃ: ১৮২৫-১৮৩৪) হৌরে। হৌজিক বাংলাদেশতা মনিপুরীশিংনা খুন্দাদুনা লৈরিবাশিংদি সিলেট জেলাগি সিলেট সদর থানাদা– ১। মনিপুরী রাজবাড়ী (কোনুং লৈকাই) ২। লামাবাজার (লৈচোম্বম লৈকাই) ৩। লালাদিঘীর পার (শাপম লৈকাই) ৪। নরসিংহ টিলা ৫। সাগর দিঘীর পার (পুখ্রিমপান লৈকাই) ৬। নয়া বস্তি (খুনৌ লৈকাই) ৭। আম্বরখানা (থৌদাম লৈকাই) ৮। কেওয়া পাড়া, ৯। গোয়াই পারা (নোংমাইথেম লৈকাই) ১০। শিবগঞ্জ, ১১। দক্ষিণ গাঁও অমসুং ১২। নয়াবাজার।

মৌলভীবাজার জেলাগি বড়লেখা থানাদা লৈবা খূঙ্গাশিং– ১। সনাতন পুর (গৌড়নগর) ২। লক্ষ্মীছড়া (নিংথেমচা লৈকাই) অমসুং ৩। সমনভাগ মনিপুরী বস্তী (পাথারী)।

জুড়ী থানাদা লৈরিবা খুঙ্গাশিং– ১। পুথাডর, ২। হাওজালী, ৩। ছোটধামাই, ৪। গৌড়াংবিল, ৫। গোয়ালবাড়ী, ৬। বড়ইতলী অমসুং ৭। বাবুসিংগাঁও।



CamScanner

কুলাউড়া থানাদা লৈরিবা খুঙ্গাশিং– ১। ফটিকগুলি (উনুং লৈকাই) ২। ভাণ্ডারী গাঁও (খোংদ্রাম লৈকাই) অমসুং ৩। নলডরী (খুঙ্গাও লৈকাই)

কমলগঞ্জ থানাদা লৈরিবা খুঙ্গাশিং– ১। রানীর বাজার (কোনুং লৈকাই) ২। হুমেরজান (নীলকুঠি) ৩। মঙ্গলপুর, ৪। রামেশ্বর পুর (চিৎলিয়া) ৫। চিৎলিয়া (হায়রিবা খুঙ্গাশি মনিপুরীশিংনা অমত্তা ওইনা খংনরবসু খুঙ্গা ময়াইদা কলকলি কৌবা ছড়া মচা অমনা সীমানা খাইদোকই। কলকলিগী খা ফিভানদা লৈবাশিংনা চিৎলিয়া হায়রগা খংনৈ অদুগা অওয়াং ফিভানদা লৈবাশিংনা রামেশ্বর পুর হায়না অফিসিয়াল রেকর্ডতা লৈ। ওয়ার্ড ফাউবা তোঙাল্লি।) ৬। ভানুবিল, ৭। ছনগাঁও (হামোমখুল) ৮। কোনাগাঁও, ৯। নয়াপত্তন (হান্নদি মমাং মঙ্গেমখোং হায়রগা খংনরম্মী) ১০। তেতইগাঁও (মনিং মঙ্গেমখোং) ১১। শ্রীপুর (ভাণ্ডারীগাঁও) ১২। গংগানগর, ১৩। কাটাবিল, ১৪। হকতিয়ারখোলা (ওকক্রবিল) ১৫। ছয়ছিড়ি (নহ্নোংলৈকাই) অমসুং ১৬। ভাণ্ডারীগাঁও (মৈতৈ মাধবপুর)

শ্রীমঙ্গল থানাদা লৈরিবা খুঙ্গাশিং– ১। রামনগর (মনিপুরী বস্তী) ২। টিকরিয়া (বিলাসর)

হবিগঞ্জ জেলাগি চুনারুঘাট থানাদা লৈরিবা খুঙ্গাশিং– ১। গোবরখোলা, ২। আবাদগাঁও অমসুং ৩। শিবনগর (খুনৌ)

সুনামগঞ্জ জেলাগি ছাতক থানাদা লৈরিবা রতনপুর (পারুয়া) অমদি গোয়াইনঘাট থানাদা লাখাত (বোগাইয়া গ্রাম)

হৌজিক হৌজিক বাংলাদেশতা মনিপুরী খুন্দাদুনা লৈরিবসি খুঙ্গা ৪৮নি। মমাংঙৈদা মপুং ফানা খুঙ্গাশিং হৌজিক্কা লৈখিদ্রবা– ঢাকাদা– তেজগাঁও থানাগী মনিপুরী পাড়া, সিলেট সদর ব্রজনাথ টিলা, কিশোরগঞ্জতা দূর্গাবাড়ী, কুমিল্লাদা কসবা, জুড়ীদা বড় ধামাই, চুনারুঘাট'তা দুধ পাতিল যাত্রা গাঁও, শ্রীমঙ্গল থানাদা খোয়াজপুর। হায়রিবা খুঙ্গা ৮সি বাংলাদেশকী নিংতম লান মমাংদনা মুথবা হৌখি।

ঙল্লিঙৈ মতমদদি নিঙোল মচাশিং খাওন ওনলমই, শাই তানরম্মী। লুহোংবা মতমদা খেমজিগী ব্লাউজ লিৎনরম্মী। খাওন ওনবা হৌবসি চাওরক্না নুপি মচাসে মীওই শুরক্লনি হায়বা মতমদুদা মমা ওইবিদুনা লৈকাই মৌ নহা খরাগা ফাদুনা নমদুনা খাওন ওনবী। তৌবতবু নুমিৎ অফবা অমা য়েংলগা তৌনৈ। য়ুমদা

লৈরিঙৈদা খাংদা শাবা ফনেক শেৎনৈ, ময়ায়দা খুৎনা তায়রগা। মদুতসু নত্তনা কুমিল্লাগী কসবারোমদগী য়ুগী ফনেক য়োন্বা লাক্লম্মী। মচু মচুগী ফনেক য়োল্লম্মী। ১৯৭১ইং মখাদগী লাকপা তোকখ্রে। হরাও কুহ্মৈদা শেৎনবদি– মপান নাইবা/লে ফনেকনি। অয়াম্বনা খাংদা শারগা খুৎনা মপান লোন্নে। মপান লোনবা মতমদা মকোয় চুম্নবা ওয়াচেৎ পানা ইৎলগা চগো সারগা লৈতান নত্রগা চন্দোন্না দাগ থায়। চগোদুগী মনুংদা খোয় ময়েক লোন্নরম্মী। মনিপুরদগীসু পুরুক্তুনা শেৎনরম্মী। লুহোংবদদি খেমজি ফুরিৎ লিৎনরম্মী। হরাও ফি হায়বা ফিদুপ অদু ইন্নরম্মী। কোক্তা লৈত্রেং হাপ্পী, পোৎলোয় শেৎলী হৌজিকসু। অদুগা লায়নিং তিন্নদবদগী পোইরৈ অপোকপা মরূপকী কাংলূপ অমসুং সনামহি লাইনিং লাইশোন কাংবুদি পোৎলোয় শেৎনদে। ফনেক মপান নাইবা শেৎনৈ, কোকতদি লৈত্রেং হাপনৈ। লুহোংবগী শক্-শোন্বদি মৈতৈরোননা তৌই। লৈ চন্দন তৌবা মতমদা সনামহী লাইনিং কাংবুদি চন্দননা তৌনৈ। অদুগা পোইরৈ অপোকপা মরূপ কাংবুদি সিন্দুর (অঙাংবা) না তৌই। অদুগা মৌ কোইরকপা মতমদা য়েৎতগী ওইরোমদা কোইরকই। সনামহীগী ফুরূপতী গৌড়িয়াগী মওংদা অদুম কোয়নৈ। বর (জামাই) হায়রগা, কন্যাগী ময়ুমদা চংবগী মতাংদা মখোয়গী কীর্ত্তন মতুং ইন্না হৌনৈ। বর লাক্লগা অদুমক চংঙি। ভানুগাছ লৈপাক্তদি বর লাকপা ঙাইনদুনা লৈবনা অয়াম্বনি। ঙাহক্ত ওইরবসু ঙায়নৈ। কীর্ত্তন হৌবগা চংনৈ। রা-গা লোয়বা লোয়দ্রবা য়েংদে। অদুগা ধামাই লৈপাকরোমদদি কীর্ত্তন হৌরবসু হেক্তা চংবা য়াদে। ভানুগাছ লৈপাক্তদি শ্রাদ্ধ-কর্ম্মদদি কীর্ত্তন হৌরবসু রা-গা লোয়দনা মাগুবতা চংনদে।

লুহোংবদা মৌ-না জামাইগি ফাম্ব্রোং কোয়নবসি তরেৎলক্তি কোয়নৈ। করিগুম্বা দিন-কাল ফৎত্রবদি, হায়বদি নোং নোংশিৎ থেংনরবদি মঙা নত্রগা অহুমরক্লা লোয়শন্বা য়াওই। মৌ থিন্বা মতমদা লাইপোৎ অমনা মাং থাদুনা চৎলি, মথংদা তরেং কপত্রেংনচিংবা। হৌজিক্তি কপত্রেংদি য়াওনদ্রে।

# বাংলাদেশতা ফোঙখিবা মৈতৈ চেফোঙশিং

বাংলাদেশতা খুন্দাদুনা লৈরিবা মৈতৈশিং চহী চহুম চামরিরোম শুরবসু মৈতৈ চেফোঙ হায়বসি লৈরমদে। ১৯৭৫ইংদা ঐগী মরুপ এ. কে শেরাম্না লুচিংদুনা হৌগৎখি পূজারী সাহিত্য সংসদ কৌবা সংস্থান অমা মে থাগী তাং ১১দা। চহীদুমক্তদা ফোঙবা হৌখি দ্বীপানিতা কৌবা চেফোঙ অমা মনিপুরী অমসুং বাংলা লোন্দা। চেফোঙদু এ. কে শেরাম্না সম্পাদক ওইরম্মি। মতমদুদা হৌজিক্কি খুদোং চাবা ময়ামসি লৈরমদবনা য়াম্না অওয়াবা নংখি। মথং চহী ১৯৭৬ইংদা দ্বীপানিতা অনিশুবা, অহুমশুবা অমসুং মরিশুবা মশিং ফোঙখি এ. কে শেরাম্না সম্পাদনা তৌদুনা। মথংদা ১৯৭৭ইংদা মঙাশুবা মশিং ফোংঙি সম্পাদক এ. কে শেরাম অমসুং য়েনশমম শান্ত কুমার। দ্বীপানিতাগী তরুকশুবা অমসুং তরেৎশুবা মশিং য়েনশমম শান্ত কুমারনা সম্পাদক ওইরম্মি। অদুদগী অমুক ৮শুবা, ৯শুবা, ১০শুবা, ১১শুবা অমসুং ১২শুবা এ. কে শেরাম্না সম্পাদক ওইদুনা দ্বীপানিতা ফোঙলম্মি। ১৯৮০ইংগী আগস্ট থাদা ১৩শুবা মশিংদি য়েনশমম শান্ত কুমারনা সম্পাদক ওইনা ফোঙলম্মি। মঙাশুবা মশিংদগীদি বাংলাদেশ মনিপুরী সাহিত্য সংসদ হায়না মিংথোনওনখরে, পূজারী সাহিত্য সংসদকী মহুত্তা। ১৯৮১ইংদা ১৪শুবা মশিং ফোংঙি সম্পাদক এ. কে শেরাম্না ওইরম্মি। দ্বীপানিতাগী সম্পাদক্কী মরমদা শক্লাইরবা অইবা অমসুং পণ্ডিত ওজা রাজকুমার স্নাহল সিংহ বিকম'না সম্পাদন তৌবা মৈতৈ চেফোঙদা অসুম্না ইরম্মি, 'বাংলাদেশতা ফোঙবা মৈতৈলোনগী চেফোঙ দ্বীপানিতাগী সম্পাদক শ্রী এ. কে শেরাম (অনন্ত কুমার শেরাম) ভারতকী ওয়াংমদা বাংলাদেশতা মৈতৈলোন অমসুং মৈতৈলোনগী সাহিত্য চাওখৎনবা হোৎনরিবা মীওইশিংগী মনুংদা অমনি। মহাক শিক্ষাগী থাক্তা (বি কম এলএলবি'নি) মহাক হৌজিক হৌজিকমক বাংলাদেশকী সিলেটতা লৈবা সোনালী ব্যাংক'কী দরগা গেইট ব্রাঞ্চকী ডেপুটী চিফ একাউন্টেন্ট ওইরি। মহাক

বাংলাদেশ মনিপুরী সাহিত্য সংসদকী সেক্রেটারী ওইরি। মথংগী সম্পাদক শ্রী য়েনশমম শান্ত কুমার শ্রীহট্টগী ভানুগাছতা পোকপনি। মহাকসু বাংলাদেশতা মৈতেলোন চাওখৎনবা অমসুং মনিপুরী সাহিত্যগী সেবা তৌরিবা মীশক অমনি। মহাক হৌজিক হৌজিকমক মেসার্স রহিম ট্রাভেলস, জিন্দাবাজার সিলেট (বাংলাদেশ) কী জেনারেল ম্যানেজার ওইরি।'

মথংদা চহী তরেৎরোম লেপ্তুনা লৈরুরবা মতুংদা দ্বীপানিতাগী মিংথোন ওন্থোক্লগা অনৌবা মিংথোন 'মৈরা' থোল্লগা ১৫শুবা মশিং ১৯৮৮ইংদগী ফোঙবা হৌখি। ১৯৮৯ইংদা ১৬শুবা অমসুং ১৭শুবা মশিং ফোঙখি। ১৯৯০ইংদা ১৮শুবা মশিং ফোঙখি। ১৯৯১ইংদা ১৯শুবা অমসুং ২০শুবা মশিং ফোঙখি। ১৯৯২ইংদা ২১শুবা মশিং ফোঙখি। ১৯৯৪ইংদা ২২শুবা মশিং অদুগা ১৯৯৫ ইংদা ২৩শুবা মশিং ফোঙখি। ১৯৯৬ইংদা ২৪শুবা মশিং ফোঙখি। ১৯৯৭ ইংদা ২৫শুবা অমসুং ২৬শুবা মশিং ফোঙখি। ১৯৯৮ইংদা ২৭শুবা মশিং ফোঙখি। ২০০০ইংদা ২৮শুবা মশিং ফোঙখি। ২০০১ ইংদা ২৯শুবা অমসুং ৩০শুবা মশিং ফোঙখি। ২০০২ ইংদা ৩১শুবা অমসুং ৩২শুবা মশিং ফোঙখি। ২০০৩ইংদা ৩৩শুবা মশিং ফোঙখি। ২০০৪ইংদা ৩৪শুবা অমসুং ৩৫শুবা মশিং ফোঙখি। ২০০৭ইংদা ৩৬শুবা মশিং ফোঙখি। ২০০৮ইংদা ৩৭শুবা, ৩৮শুবা অমসুং ৩৯শুবা মশিং ফোঙখি। ২০০৯ইংদা ৪০শুবা অমসুং ৪১শুবা মশিং ফোঙখি। ২০১০ইংদা ৪২শুবা অমসুং ৪৩শুবা মশিং ফোঙখি। ২০১১ইংদা ৪৪শুবা অমসুং ৪৫শুবা মশিং ফোঙখি। ২০১২ইংদা ৪৬শুবা অমসুং ৪৭শুবা মশিং ফোঙখি। 'মৈরা' মিংথোন্না ফোঙলকপদগী ঙসি ফাওবা এ. কে শেরাম্না সম্পাদক ওইরি।

অতোপ্পা চেফোঙশিংনা (১) 'মতম' অমুক্তং ফোঙলম্মি, সম্পাদকশিংনা শান্ত খুমন অমসুং সুনিল মোইরাং। (২) 'থরো থম্বাল থরিক থ্রা' অমুক্তং ফোঙলম্মি, সম্পাদকশিংদি ঐখোয় অহুম মদুদি টিবি হামোম, এ. কে শেরাম, শান্ত খুমন। (৩) 'খোল্লাও' অনি অহুমরক ফোঙলম্মি, সম্পাদক ফেলেম ধীরেন। (৪) 'অনৌবা মঙাল' অনিরক ফোঙলম্মি, সম্পাদক কারাম নীলবাবু। (৫) 'মীৎকপ থোকপা' মঙা-তরুকলক ফোঙলম্মি, ইডিটর নিঙোম্বম থম্বাল। (৬) 'ইথিল' তরুক তরেৎলক ফোঙলম্মি, ইডিটর চন্দ্রজিৎ সিংহ। (৭) 'অনৌবা খোংথাং' শ্রীমঙ্গল কলেজ মৈতে ছাত্রশিংনা ফোঙলম্বা অমুক্তনি। (৮) 'ইপোম' মশিং তরারোম ফোঙখ্রে, বাংলাদেশ মনিপুরী সাহিত্য সংসদ, কমলগঞ্জ মশা ফুরুপকী



CamScanner

চেফোঙনি, ইডিটরশিংদি সনাতন হামোম, খোইরোম ইন্দ্রজিৎ, কৌম্বৌজম সুরঞ্জিত, শান্ত খুমন, হামোম প্রবিত। (৯) 'শায়োন' ইডিটর হামোম প্রবিত অমসুং এসি নেত্রজিৎ, মনিপুর অমসুং বাংলাদেশকা খুৎশম্নরগা ফোঙবা চেফোঙনি। (১০) রাসপূর্ণিমা স্মরনিকা মশিং ১০/১৫মুক ফোঙখ্রে, চেফোঙশি রাসপূর্ণিমা খুদিংগী ফোঙবা চেফোঙনি। (১১) 'মঙলান' জননেতা হিজম ইরাবত সিংহগী মপোক কুমওনগা মরি লৈননা ফোঙবা চেফোঙনি, মশিং মঙা তরুকরোম ফোঙখ্রে। (১২) 'ইজ্খোল' ইডিটর নাম্ব্রম শংকর, মীংথোনদি মনিপুরী লোননি অদুবু মনিপুরী আর্টিকল অমত্তা য়াওবা থেংনদে, অনিরক ফোঙলম্মি। (১৩) 'লৈচল' ইডিটর চন্দ্রজিৎ সিংহ অমসুং হামোম প্রবিত, মঙারক ফোঙলম্মি। (১৪) 'মালেমগী ওইবা মমালোন' সম্পাদক আসলাম ইকবাল অমসুং আবু সুফিয়ান কবির, ২১ফেব্রুয়ারি আন্তর্জাতিক মাতৃভাষা দিবসকা মরিলৈননা ফোঙবনি, মশিং অমুক্তা ফোঙবা থেংনখি। (১৫) 'লৈরাংবী' সম্পাদক ওয়াই নন্দলাল, মশিং অমুক্তং ফোঙবা থেংনখি, চেফোঙশি বাংলাদেশ মনিপুরী সাহিত্য সংসদ, শ্রীমঙ্গল শাখানা ফোঙলম্বনি। (১৬) 'খোঙচৎ' সম্পাদকশিংদি রবি কিরন সিংহ, মিন্টু সিংহ, এল শংকর কুমার সিংহ, উৎপল সিংহ, সজল সিনহা, পুরিদাস সিংহ অমসুং প্রবাল সিংহ, মনিপুরী কালচারেল সেন্টার-সিলেটনা ফোঙলম্বনি। (১৭) 'খোংথাং' সম্পাদক কৈশাম বিমল, বাংলাদেশ মনিপুরী ছাত্র সমিতিনা ফোঙবনি, তরুকশুবা চহীগী অহুমশুবা মশিং ফাওবা থেংনজরে। (১৮) 'লৈপুন' সম্পাদক এন শান্ত, চেফোংসি বাংলাদেশ মনিপুরী সাহিত্য সংসদ, বিশগাঁও মশানা ফোঙবনি অদুগা অনিরক ফোঙলম্মি। (১৯) 'থওয়ান মিচাক' ইডিটর পারি চিংথাম, মশিং অমুক্তং থেংনরি, চেফোংসি বাংলাদেশ মনিপুরী ছাত্র সমিতি, কমলগঞ্জ শাখানা ফোঙলম্বনি। (২০) 'ঈনাৎ' সম্পাদক টিবি হামোম, মনিপুরী সাংস্কৃতিক পরিষদনা রাস পূর্ণিমাগা মরি লৈননা ফোঙলম্বা চেফোঙনি, অমুক্তং ফোঙলম্মি। (২১) 'মৈঙাল' সম্পাদক এম ইউ কে সাধন, মশিং অহুম ফাওবা ফোঙখ্রে, রামনগর মনিপুরী পাড়াদগী ফোঙবনি। (২৩) 'য়েন্নিং' সম্পাদকশিং শেরাম শানারৈ, নোংপোকলৈ সিনহা, বিকাশ ব্যানার্জি, অনিমেষ শর্মা, মাংলেম্বা সিংহ অমসুং শেরাম চিঙ্খে, চেফোঙসি নহারোল খরা পুনশিল্লগা ফোঙলম্বনি, অনিরক ফোঙলম্মি। (২৪) 'অয়ুক' সম্পাদক সনাতন হামোম, চেফোঙসি মতম নাইদবা সাহিত্যগী চেফোঙনি, হামোম পাব্লিকেশন'না ফোঙলম্মি। (২৫) 'ঔগ্রী' ইডিটর কোম্বৌজম সুরঞ্জিত, চেফোঙসি অনিশুবা মশিংদা পারী চিংথাম'না

সম্পাদক ওইরম্মি। (২৬) 'নিত্যাই ধূমেন' সম্পাদক এন গুনমনি, লাইনিং লিচৎকা মরিলৈননা ফোঙলম্বনি, গুরু কীর্ত্তন পরিচালনা কমিটি, কোনাগাঁওনা ফোঙলম্বনি। (২৭) 'মঙাল' সম্পাদকশিংদি এম উত্তম সিংহ রতন, কে বিজেন সিংহ, জি অশোক শর্ম্মা, ওয়াই সুধেন্দ্র সিংহ, এল শংকর সিংহ, কে রঞ্জু সিংহ, টিএইচ প্রিয়ব্রত সিংহ, এন শংকর সিংহ, টিএইচ শ্যামল সিংহ, মনিপুরী সম্প্রদায় কল্যাণ পরিষদ (মসকপ) সিলেট'না ফোঙলম্বনি, মশিং অমত্তনি। (২৮) 'শজিবু' সম্পাদক শেরাম নিরঞ্জন, মশিং তরারোম ফোঙখ্রে, ঈনাৎ পাব্লিকেশন সিলেট'না ফোঙবনি। (২৯) 'লংজিন' প্রকাশনা সম্পাদক লোংজম প্রসেনজিৎ সিংহ, মীতৈ সমাজ কল্যাণ সংঘ (মীসক) বরইতলী'না ফোঙবনি, মশিং অমত্তা ফোঙলি। (৩০) 'প্রয়াস' সম্পাদক সনাতন হামোম। (৩১) 'মণিপুরী দর্পন' সম্পাদক এল শ্যামল (ইবুংহাল), (৩২) 'মণিপুরী ভাষা' সম্পাদক- এ. কে শেরাম, মনিপুরী ভাষা দিবসকা মরি লৈননা ফোঙখিবা চেফোঙনি, ফোঙবনা-মনিপুরী ভাষা গবেষণা ও উন্নয়ন সংস্থান্ননি। (৩৩) 'জাগোই' সম্পাদক-শ্রীদিগেন সিংহ, একাডেমী ফর মনিপুরী কালচার এন্ড আর্টস হায়বা সংস্থানগী চহী তরেৎশুবা প্রতিষ্ঠা বার্ষিকীগা মরি লৈননা ফোঙবা চেফোঙনি, ফোঙবা- একাডেমী ফর মনিপুরী কালচার এন্ড আর্টস, সিলেট । (৩৪) 'থাজ' সম্পাদক-নিংথৌজম কেশ্বর কুমার সিংহ, অমুক্তং ফোঙবা চেফোঙনি, বিশগাঁও মনিপুরী সাহিত্য সংসদ'না ফোঙলম্বনি। (৩৫) 'য়াওল' সম্পাদক-এন যোগেশ্বর অপু, জননেতা হিজম ইরাবত সিংহগী মপোক কুমওনগা মরি লৈননা ফোঙবা চেফোঙনি, ফোঙবা-ইমা বাংলাদেশ। (৩৭) 'তাম্না' সম্পাদক- খোইরোম কামিনী কুমার সিংহ। (৩৮) 'য়াকাইওয়া' সম্পাদক মাইবম তরনী কুমার সিংহ, অনিরক ফোঙলম্মি। (৩৯) গুরু কীর্ত্তন ২০১৪, সম্পাদক তনুবাবু অমসুং হামোম প্রবিত।

বাংলাদেশতা লৈরিবা মনিপুরী ইচিনাউশিংনা ইবা বাংলা অমসুং মনিপুরী লোন্দা ইবা লাইরিকশিং-

(১) ১৯৮২ইংদা এ. কে শেরামগী 'বসন্ত কুন্নিপালগী লৈরাং' কৌবা শৈরেং লাইরিক বাংলাদেশ মনিপুরী সাহিত্য সংসদ'না ফোঙখি। (২) ১৯৮৮ইংদা এ. কে শেরামগী 'চৈতন্যে অধিবাস' কৌবা বাংলা শৈরেং লাইরিক সনাতন সাহিত্য আশ্রম'না ফোঙখি। (৩) চহীদুমক্তদা সনাতন হামোমগীসু 'কল্পবধূ' কৌবা বাংলা শৈরেং লাইরিক ইত্যাদি প্রকাশনী ঢাকাদগী ফোঙখি। (৪) ১৯৯০ইংদা

'বাংলাদেশকী মণিপুরী শৈরেং' কৌবা খোমজিন্বা লাইরিক এ. কে শেরাম্না সম্পাদন তৌদুনা বাংলাদেশ মনিপুরী সাহিত্য সংসদ'না ফোঙখি। (৫) ১৯৯৩ইংদা 'মণিদীপ্ত মণিপুরী ও বিষ্ণুপ্রিয়া বিতর্ক' কৌবা বাংলা ওয়ারেং লাইরিক (গবেষণাধর্মী প্রবন্ধ) বাংলাদেশ মনিপুরী সাহিত্য সংসদনা ফোঙখি। (৬) ১৯৯৫ইংদা শেরাম নিরঞ্জনগী 'মঙ মপৈ মরক্তা' কৌবা মনিপুরী শৈরেং লাইরিক ঈনাৎ পাব্লিকেশন সিলেট'না ফোঙখি। (৭) চহীদুমক্তদা হামোম প্রমোদকী 'ওয়াখলগী নাচোম' কৌবা মনিপুরী শৈরেং ঈনাৎ পাব্লিকেশন সিলেট'না ফোঙখি। (৮) ১৯৯৬ইংদা 'বাংলাদেশের মণিপুরী ত্রয়ী সংস্কৃতির ত্রিবেণী সঙ্গমে' কৌবা বাংলা ওয়ারেং লাইরিক এ. কে শেরাম'না ইবা আগামী প্রকাশনী ঢাকাদগী ফোঙখি। (৯) ১৯৯৭ইংদা হামোম প্রমোদ'কী খোমজিন্বা ওয়ারেং লাইরিক 'মনিপুরী গ্রন্থমালা-১', 'মণিপুরী সাহিত্য সংস্কৃতি' কৌবা লাইরিক দি মণিপুরী ঢাকা'না ফোঙখি। (১০) ১৯৯৯ইংদা এ. কে শেরাম্না সম্পাদন তৌবা 'মণিপুরী শক্তাক খুদম' হায়বা ওয়ারেং লাইরিক ইমা বাংলাদেশ'না ফোঙখি। (১১) ২০০০ইংদা সনাতন হামোমগী শৈরেং লাইরিক 'লৈনম য়াওদ্রবী লৈরাং' কৌবা বাংলাদেশ মনিপুরী সাহিত্য সংসদ, কমলগঞ্জ মশা ফুরুপ্পা ফোঙখি। (১২) ২০০১ইংদা 'এক বসন্তের ভালাবাসা' কৌবা বাংলালোন্দা হন্দোকপা মুতুম অপু'না সম্পাদন ওইবা ঈনাৎ পাব্লিকেশন সিলেট'না ফোঙখি। (১৩) চহীদুমক্তদা বাংলাদেশ মনিপুরী সাহিত্য সংসদ'না ফোঙখি 'নোঙ্গৌবী' কৌবা মনিপুরী ওয়ারীমচাগী লাইরিক অইবা এ. কে শেরাম। (১৪) ২০০৩ইংদা সনাতন হামোমনা 'থওয়ায়গী নুংশিরৈ' কৌবা মনিপুরী শৈরেং লাইরিক হামোম পাব্লিকেশন'না ফোঙখি। (১৫) চহীদুমক্তদা খোইরোম ওংবী চন্দ্রকলা'না ফোঙখি খোইরোম ইন্দ্রজিৎকী 'মচু নাইবা মঙ' মনিপুরী ওয়ারেংগী লাইরিক। (১৬) ২০০৪ইংদা শেরাম নিরঞ্জন'না শৈরেংবা 'অতোপ্পগী পীরাং' মনিপুরী শৈরেং লাইরিক অমসুং মুতুম অপু'না শৈরেংবা 'লৈরাংগী লৈরোং' মনিপুরী শৈরেং লাইরিক ঈনাৎ পাব্লিকেশন'না ফোঙখি। (১৮) চহীদুমক্তদা 'ঈচেল ইরাওখোল' কৌবা খোমজিন্বা মনিপুরী শৈরেং লাইরিক বাংলাদেশ মনিপুরী সাহিত্য সংসদ'না ফোঙখি, সম্পাদনা শেরাম নিরঞ্জন অমসুং এন যোগেশ্বর অপু। (১৯) ২০০৫ইংদা খোইরোম ইন্দ্রজিৎকী 'ইন্নফি' কৌবা মনিপুরী শৈরেং লাইরিক বাংলাদেশ মনিপুরী সাহিত্য সংসদ, কমলগঞ্জ মশা ফুরুপ্পা ফোঙখি। (২০) চহীদুমক্তদা মাইস্নাম রাজেশকী 'মোংফম থম্মোয়গী নুংশিবা'



CamScanner

অমসুং 'নাতৈ চাদ্রবা পৃথিবী' কৌবা মনিপুরী শৈরেং লাইরিক ঈনাৎ পাব্লিকেশন সিলেট'না ফোঙখি (২২) ২০০৬ইংদা 'মঙ মরক্তা' কৌবা মনিপুরী শৈরেং লাইরিক সনাতন হামোম'না ইবা হামোম পাব্লিকেশন'না ফোঙখি। (২৩) চহীদুমক্তদা শেরাম নিরঞ্জন'না ইবা 'স্বপ্নজন্ম ব্যর্থ হলে' কৌবা বাংলা শৈরেং লাইরিক উৎস প্রকাশন ঢাকা'না ফোঙখি। (২৪) অমসুং 'পথ চলতে চলতে' কৌবা মনিপুরীদগী বাংলাদা হন্দোকপা অনিল কিষন সিংহ, সাহিত্য প্রকাশ ঢাকানা ফোঙখি। (২৫) ২০০৭ইংদা এ. কে শেরাম'না ইবা 'মঙলানগী অতিয়াদা নুমিৎ থোকপা' অমসুং 'ওয়াখলগী মঙাল' অইবা ইমোদম রবিন, ফোঙবা বাংলাদেশ মনিপুরী সাহিত্য সংসদ। (২৭) ২০০৯ইংদা ইমোদম রবিনগী 'অঙকপা মালেম' কৌবা মনিপুরী শৈরেং লাইরিক বাংলাদেশ মনিপুরী সাহিত্য সংসদনা ফোঙখি। (২৮) ১৯৮৩ইংদা ডা. অরুন কুমার শর্ম্মাগী 'চব্বিশে হ-য-ব-র-ল' কৌবা বাংলা শৈরেং লাইরিক বাদল কুমার শর্মানা ফোঙখি। (২৯) ১৯৮৯ইংদা সনাতন হামোমগী 'ঈপ্সিত বাসনা' কৌবা বাংলা শৈরেং লাইরিক কাকলী প্রকাশনী, ঢাকাদগী ফোঙখি। (৩০) ২০০৪ইংদা থোঙাম সঞ্জয়'না ইবা 'গ্রামবিশ্বের তৃণলতা' কৌবা বাংলাগী শৈরেং লাইরিক বিবর্ত পাঠ চক্র চট্টগ্রাম'না ফোঙকখি। (৩১) ১৯৭৯ইং শ্রী লৈচোম্বম মীলাউ সিংহ'না ইবা লাইনিং লিচৎকা মরি লৈনবা 'শ্রীকৃষ্ণপ্রীতে শ্রাদ্ধ সমাচার' কৌবা বাংলা লাইরিক ফোঙখি অইবা মশামক্লা। (৩২) ২০০৮ইংদা থোঙাম ধীরেন'না ইবা 'বাংলাদেশের মনিপুরী জাতী' কৌবা বাংলা ওয়ারেং লাইরিক অইবা মশামক্লা ফোঙখি। (৩৩) ২০১০ইংদা 'প্রেমে অপ্রেমে আছি-আছি দ্রোহী চেতনায়' কৌবা এ. কে শেরাম'না বাংলা শৈরেং লাইরিক ঘাস প্রকাশন সিলেট'না ফোঙখি। (৩৪) ২০১১ইংদা 'এস ভানুমতি দেবীর নির্বাচিত কবিতা' কৌবা মনিপুরীদগী বাংলাদা এ. কে শেরাম'না হন্দোকপা ঐতিহ্য, ঢাকা না ফোঙখি। (৩৫) ২০০৯ইংদা হামোম সনাতন'না ইবা বাংলা শৈরেং লাইরিক 'ভালবাসার কাব্য' হামোম পাব্লিকেশন'না ফোঙখি। (৩৬) ২০০৯ইংদা থৌনাউজম লক্ষ্মিকান্ত'না ইবা 'বাংলাদেশের প্রেক্ষাপটে মনিপুরী জনগোষ্ঠী' কৌবা বাংলা ওয়ারেং লাইরিক, একডো সিলেট'না ফোঙখি। (৩৭) ২০১৩ইংদা এ. কে শেরাম'না ইবা 'পথভ্রষ্ট পথিক' কৌবা বাংলা উপন্যাস আগামী প্রকাশনি ঢাকাদগী ফোঙখি। (৩৮) ২০০৪ইং ভানুগাছ লৈপাক পন্ডিত শ্রী কেক্রেম্বম কুলচন্দ্র সিংহনা 'পুন্সিবু মমল পীবা' কৌবা মনিপুরী ওয়ারেং লাইরিক লাইনিং লীচৎকা মরি লৈনবা য়েনশম্বম ললিত'না ফোঙখি। (৩৯)

১৯৮৫ইংদা লাইনিং লীচৎকা মরি লৈনবা মনিপুরী ওয়ারেং লাইরিক য়ুম্লাম পীবা'না ইবা 'শিদা পাউজেল' কৌবা পোইরৈ অপোকপা মরূপ বাংলাদেশ'না ফোঙখি। (৪০) ২০০৫ইংদা মধুমঙ্গল'না ইবা মনিপুরী শৈরেং লাইরিক 'অহিংগী লৈরাং শিঙ্গারৈ' কৌবা লাইরিক রিশি থাংজম পাব্লিকেশন'না ফোঙখি। (৪১) ২০১০ইংদা এ. কে শেরামনা 'অতোপ্পা লৈরাং' কৌবা মনিপুরী ওয়ারেং লাইরিক বাংলাদেশ মনিপুরী সাহিত্য সংসদ, সিলেট'না ফোঙখি। (৪২) ২০১২ইংদা সনাতন হামোম'না ইবা শৈরেং লাইরিক 'লৈ কৎলুরা থাং কৎলুরা' কৌবা মনিপুরী রাইটার্স ফোরাম, বাংলাদেশ'না ফোঙখি। (৪৩) চহীদুমক্তদা এ. কে শেরাম'না ইবা মনিপুরী উপন্যাস 'লক্ষাংনবা' বাংলাদেশ মনিপুরী সাহিত্য সংসদ সিলেট'না ফোঙখি। (৪৪) ২০১৩ইংদা সনাতন হামোমগী লমকোয় ওয়ারী 'থম্মোয়নুংগী মনিপুর' কৌবা মনিপুরী রাইটার্স ফোরাম, বাংলাদেশ'না ফোঙখি। (৪৫) ২০১১ইংদা 'মৈরা পাইবী' কৌবা এ. কে শেরামগী বাংলা লমকোয় ওয়ারীগুমনি, ফোঙকপা-অনন্যা প্রকাশনী ঢাকা। (৪৬) ১৯৮৪ইংদা 'কংলৈ ইয়েক মপী' অইবা-এ. কে শেরাম, মনিপুরী ময়েক তম্নবগী লাইরিক, বাংলাদেশ মনিপুরী সাহিত্য সংসদ'না ফোঙবনি। (৪৭) ২০০৮ইংদা 'মণিপুরী নাচোম' সম্পাদক-এ. কে শেরাম, বাংলাদেশ মনিপুরী সাহিত্য সংসদ'না ফোঙবনি অমদি মরিশুবা খুৎনম ২০১২। (৪৮) ২০১১ইংদা 'অন্যস্বর' অখন্নবা বাংলা শৈরেং, সম্পাদক-এ. কে শেরাম, কথামালা প্রকাশনিনা ফোঙকপা। (৪৯) ২০১২ইংদা 'মণিপুরী ময়েক মপী' অইবা-এ. কে শেরাম, মনিপুরী ভাষা গবেষনা ও উন্নয়ন সংস্থা, সিলেট'না ফোঙবা। (৫০) 'লৈরাংগী লৈরোং-২' মুতুম অপু'না ইবা ২০১০ইংদা, ঈনাৎ পাব্লিকেশন সিলেট'না ফোঙখি।

## মতেং লৌখিবা লাইরিক

১. 'মৈতৈ চোফোঙ' সম্পাদক-রাজকুমার স্নাহল সিংহ, বিকম, ইম্ফাল মনিপুর।

# বাংলাদেশতা শান্নখিবা লীলাশিং

বাংলাদেশতা মৈতৈশিংনা খুন্দারিবসি চাওরাক্লা চহী ৩৫০/৪০০রোম শুরে হায়বসি অখং-অহেশিংনা মোত পিরি। অদুবু হৌজিক বাংলাদেশতা লৈরিবা মৈতৈশিং করি ফিভমদা লৈরি হায়বসি, মৈতৈগী চৎনবী হৌন-লোনচৎ চপ-চানা ঙাক্লু চৎপা ঙমলিব্রা? বার্মাদা লৈরিবা মৈতৈশিংগুম্না মৈতৈগী চৎনবী কাউথোকখ্রবা য়াৎলা। বাংলাদেশতা মশিং লিক্লা লৈজরবসু মৈতৈ চৎনবী অমত্তা ওয়াৎতনা চৎনরি। হরাও-কুম্মৈ পামজবা মৈতৈশিংগী অয়াম্বা মতমদা মেরাগী নিয়োম সেবা কয়া উশিল্লকত্রে হায়বা য়াই। রথ চিংবা মতমদা জয়েদেব চোংবা থোয়না চোংনদ্রে। হরাও কুম্মৈগী মনুংদা লীলা হায়বসিসু মখন অমনি। হান্নদি লীলাসি খুন অমদা নহারোল খরা পুনশিল্লগা লীলা অমা শান্নরম্মী। বাংলাদেশতা লৈরিবা খুনশিংদা লীলা শানখিদবা খুন থোয়দোক্লা য়াওরমগনি নিঙদে। মতমদুদা শিজন্নখিবা ষ্টেজটি চৌকি পুথোক্লগা হেক্তা থাজন্বা নত্রগা বেঞ্চ/অমসুং ওয়াগী মখোঙ মরি য়ুংলগা ষ্টেজ শেমদোকই। য়াম্না লায়না লীলা পাংথোক্লরম্মী। লাইটিংগী মরমদা পেট্রোমাস (হাপলেম) শিজিন্নরম্মি। মচুগী মতাংদা বিস্কিটকী টিন মায়কৈ অমা হোতোক্লগা অহোবা মায়কৈদুদা ওয়াচেৎনা ফ্রেম শারগা ফ্রেমদুদা অঙাংবা-অশংবা-নাপুমচুগী চে হাপ্লগা ওনথোক-ওনশিন তৌদুনা লাইটিংগী মখন মখন মচু কাপ্লম্মি।

মতমদুদা হায়দ্রোগী মৈ লৈতবনা থাংমৈ বুন্দানা অয়াম্বা মৈগী মহুৎ শিল্লম্মি। দেউটিনা কোনা-কোনাদা য়ুংদুনা ভাবোকশিংগী মৈঙান ফংনবা হোৎনরম্মি। ষ্টেজতদি হাপলেম অনি থাল্লগা শান্নরম্মি। অয়াম্বা লীলা শান্নখিবদি মেরাগী নিয়োম সেবা মনুংদা পাংখৎলকপা মতমদা নিঙোল-পাখংশিংনা নিঙোল পালী হায়না তৌবা মতমদা নুংথিলদা মহাভারতকী ওয়ারী অহল-লম্মনশিংনা তানৈ

অদুগা নুমিদাংদা লীলা শানহল্লি। অদুতসু নত্তনা কনাগুম্বনা মচা-মশুগী ষষ্ঠি পূজাদা লীলা শানরম্মি। বাংলাদেশতা মৈতৈশিংনা খুন্দারম্বা মফম খুদিংদা লীলা শান্নরম্মি। অদুগা লোনগী মতাংদা মৈতৈলোন অসিনা অকম্বা থৌদাং লীলা মনুংদা হাপচম্বা হোৎনৈ।

বাংলাদেশতা শান্নখিবা লীলাশিংদি অয়াম্বা মনিপুরদগী লাইরিক পুনরক্তুনা শান্নবনি। হৌজিকসু মদুগী চৎনবী ইকায় কায়থদ্রি। মরমনা– অতৈ-অতৈ সাহিত্যগী খোংথাংদা মাঙচাওসল্লবসু লীলাগী খোঙজংদা খরা ওয়াৎলী, অদুবু অহৈবম রনজিৎ লীলা ইবগী খোওজংদা লমজিংবনি। ।

বাংলাদেশতা শান্নখিবা লীলাগী চহী অমসুং লাইরিক্কি মমিং চপ চানা পুথোকপা ঙমদ্রবসু থিগৎপা খরা থেংনরকপা মমিং– মশি মপুঙ ওইনা ভানুগাছ লমদমগী লীলা শান্নখিবগী ইতিহাসনি।

| খুলগী মমিং | লীলাগী মমিং | চহী |
|---|---|---|
| ছোট ধামাই | খুবাক-খুনম | -- |
| | মতমগী শ্যামকৃষ্ণ | ২০১৪ |
| মঙ্গলপুর | হরিশ্চন্দ্র | -- |
| চিৎলিয়া | থেঙ্গু লীলা | -- |
| | নিঙোল (১) (২) | -- |
| হামোমখুল | মোইরাং পর্ব্ব (খম্বা থোইবী) | -- |
| | হুগী পোলাং | -- |
| নীলকুঠি | পুয়া মৈ থাবা | -- |
| হকতিয়ারখোলা | বীর টিকেন্দ্রজিৎ | -- |
| শ্রীপুর | মোইরাং পর্ব্ব (খম্বা থোইবী) | -- |
| | বীর টিকেন্দ্রজিৎ | -- |
| তেতইগাঁও | বীর টিকেন্দ্রজিৎ | ১৯৯৪ |
| নয়াপত্তন | পাউনা লান | -- |
| মীতৈ মাধবপুর | নরসিংহ | -- |
| লামাবাজার | বিএ থিবা | ১৯৭৭ |
| নয়াবাজার | নিমাই সন্ন্যাস | ১৯৭৮* |

(বাংলাদগী মৈতৈরোন্না হন্দোক্লগা শান্নখিবনি।)

| | | |
|---|---|---|
| কোনাগাঁও | কেতুকী | -- |
| ভানুবিল | ভাগ্যচন্দ্র | ১৯২৫ |
| ” | চন্দ্রজিনি | ১৯২৮ |
| ” | মনিপুর লৈশেম্বা | ১৯৩৭ |
| ” | ব্রহুবাহন পোকপা | ১৯৪০ চাওরাকপা |
| ” | মাইনু পেমচা | -- |
| ” | শরত পূর্ণিমা (মরি মঙারক শান্নখি) | ১৯৪৮ |
| ” | (থাম্বালনু ১০/১২ শান্নখি) | |
| ” | মধু মালতি (তরেৎ নিপানলক শান্নখি) | |
| ” | থাবলৈ | -- |
| ” | থাদোকপা | -- |
| ” | মৈতৈ চনু (১০/১২ শান্নখি) বৃন্দাগী লাইবক (মঙা-তরুকরক শান্নখি) | |
| ” | পামহৈবা | -- |
| ” | চরাইরোংবা | -- |
| ” | ইমুংগী ইজ্জত | -- |
| ” | ঐ মমানি | -- |
| ” | তুরেল ওয়াংমা | -- |
| ” | সহি | ১৯৮২ |
| ” | লূ'দা মী চংবা | ১৯৮৮ |
| ” | ইমাগী মমৌ | -- |
| ” | ইচাশা ইপা লম্বোইরে -- | |
| ” | নূপীনা নুপা লোম্বা | -- |
| ” | বিএ থিবা | ১৯৭৩ |
| ” | গরীব নেওয়াজ | ১৯৭৪ |
| ” | বীর টিকেন্দ্রজিৎ | ১৯৯৪ |



CamScanner

| | | |
|---|---|---|
| ” | লমলাম্বী | ১৯৯৯ |
| ” | লৈপাকলৈ | ২০০১ |
| ” | বসন্তগী নুঙাল্লমদাইদা | ২০০২ |
| ” | করি নুংগী নুপী লোনজরুবনো | ২০০৩ |
| ” | কবোক ওইখ্রবী কবোক লৈ | ২০০৪ |
| ” | ইতৈমা | ২০০৫ |
| ” | অমম্বা য়ুম | ২০০৬ |
| ” | সানা পাৎকী থরিক থ্রা | ২০০৭ |
| ” | লৈমন চল্লবী | ২০০৮ |
| ” | নঙ ঐগী মংলান্দা মঙফাওনখিদ্রে | ২০১০ |
| ” | ইচাগী ইরাল নত্তে ঐগীনি ২০১১ | |
| ” | নীঙোল | ২০১২ |
| ” | ঐখোয় পাবুং পেং চোইরে | ২০১৩ |

ঐনা লীলা খোমজিন্বা লীলা লাইরিক মমিংশিং হাপচিন্বদা মথং-মনাও ওনরম্বা য়াই। অদুবু হৌবা লৌইবদি অচুম্বনি। লীলা কয়াতং হঞ্জিন হঞ্জিন শান্নখিবা য়াওই অদুশিংদু অমতং ওইনা হাপচরে। মৈতৈচনু লীলা অসিদি বাংলাদেশ ওইদ্রি মমাংদা হায়বদি ১৯৭১গী মমাংদা তরেৎ-নিপানরক শান্নখ্রে।

ওয়ারী শান্নজখিবা মীওইশিং

১. লৈচোম্বম খম্বাতোন ২. য়ুম্নাম ধরেন্দ্র (চিতু) ৩. লৈচোম্বম রাজকুমার অমসুং
৪. কৈশাম বীরেন।

ISBN : 978-984-33-6602-3

CamScanner